
সেমগৎ

জানুবাবী, ১৯৯১



Gold medelist (1989 90) M U From Left to Right
Chandam Kamala Devi Manipuri Department
Bachaspati Mayum Premabati Devi (Chanchan) Linguistics
Nahakpam Sunita Devi English Department

থোকবা :
মণিপুরী সাহিত্যগী মহৈরোইশিং
মণিপুরী ডিপার্টমেন্ট, মণিপুর য়ুনিভার্সিটি ।

জঙ্গল য়োকথৎপা হায়বা অসি মতমগী রাকম অমনি। চীংয়া-তময়া, লম্মাং-তুম্মাংনচিংবা মফম পুম্নমক্তা লৈহাওগা চান্নগদবা উপাল-রাপাল থাবীয়ু।

১। উপাল-রাপালগী অশংবা মনাশিংনা—ঐখোয়গী থরায়নি।

২। উপালনা লমশাং চৎপশিংগী পোথাফম উরুম পীবিরি।

৩। মীওইবগী নোংমগী চংদবা য়াদবা মচাক অয়াম্না উমংগী পোথোক ওাক্তনি।

৪। নিল-খোংলিবা সহরদা লৈবা মীওইশিং অশংবা উমংনা পোথাফম পীবিরি।

৫। তুরেলগী ঈচেলস্সু, লৈবাক্কী লৈহাওস্সু উপালগী উমংনা ওাকশেল্লিবনি।

হৌজিক্কি লাম্মৈ-থাবা তোক্তনা উমং কনবদা শরুক য়াবিবো।

FOREST DEPARTMENT

GOVT. OF MANIPUR.

লম্বী (LAMBEE)

(থা ৫/৮ গী সাহিত্যগী চেকোঙ)
অহানবা চহি ॥ অনীশুবা মশীং ॥
জানুৱারী, ১৯৮১

ইডিটর :
আর. কে. আই

এসি: ইডিটর :
আর. কে. কৃষ্ণকুমারী দেবী
এল. [illegible] দেবী

সার্কুলেসন :
এম. খোইবা সিংহ

পারলিক রিলেসন :
চান্দম খোম্বে, অকাম ডোমবেন্দ্র অমসুং এল, তেজবতি দেবী

ট্রেজরর :
হুমান নঙ্গিং সিংহ

যোংদবা পাং: জানুৱারী, মে, অমসুং সেপ্টেম্বর।
ফোংদোক্লিবা মিংথোংশিং অইবশিংগী ওইগনি।

মথুম : এন. সরতচন্দ্র সিংহ, হিন্দী দিপার্টমেন্ট।

মমল : লুপা ১০/— (তরা)

ফোঙবা :
মণিপুরী সাহিত্যগী নহৈরোইশিং
মণিপুরী দিপার্টমেন্ট মণিপুর য়ুনিভর্সিটি
কাঞ্চিপুর—৭৯৫০০৩

নম্বকল : নিমাই এণ্ড সন্স প্রিন্টিং ৱার্কস, পাওনা বাজার, ইম্ফাল।

য়াওরিবশিং

ইডিটোরিয়েল :

য়ারেং :

শৈরেং :

য়াবী মচা :

অথন্নবা মচল :

অতৈ অতৈ :

Cover Photo : under the courtesy of MUSU

ইদিটোবিয়েল

মণিপুরী সাহিত্য অমসুং ঐখোয়

'সাহিত্য' কবিনো হায়বসি মথায়া খঙনবব। বাফমনি। শন্না সাহিত্যবু সমাজগী মিংশেলনি হায়না লৌই। সমাজগী মি শেল ওইবিবা সাহিত্য পাবগা অমম নৈনব। কবি কান্নবাগ হায়রন্তু নৌহৌনা নৈনকবা তৌদনা সাহিত্যগী নিংথৌ (সাহিত্য সম্রাট) নি হায়না খঙনববা ঋষি বঙ্কিমচন্দ্রগী পাউ অমত্তু নীংশিংসি— "ভুমগীব জাতি অমবু হৌদোক্লবগী খ্বাযদগী ফবা খুৎলাযদি সাহিত্যনি।"

মণিপুরী সাহিত্যসু ঐখোয়গী মাওদা ওসিদি লৈহৌ-লৈনম কয়া শন্দোক্লনা চত্লবা লেকোনগী লৈরাংগম লৈশাং ত্তমনি। খোয়দাবা কনানা মালীগুম লৈকোনসিবু শেম শাগনি, অমুবম্ন— লেনমদা ওৎজবা বনানা মাঙ্গংশিগী লংলানা মীওইবা-জাতি পাখাং অমগ ওইনা পুনশিনবগী খোবাংদা লেকোনগী ফজবা অমদি লেরাংগী নিংথিবা খঙং। শংখাবিবসু যাগনি। অদুবু, নঙ-গী সাহিত্যগী লৈচনু লৈরাংগম লৈশাং ওহংগে অমসুং ওইহাল্লাই ওনীং চৌবা ওমবা? সাহিত্যদি সাধনাগী মশনি। সধন তৌবা গাও তোৎনবা ওই— পুরবা, অকবা ঈবায়া দা কুপনা মণি-মুক্তাংসা সাহিত্যগী চেল কয়া থিনবা লোযননা মতৃবু ওাকশেল্লবা। পূন্না গমগু ওইনা অমসুং তুংশিনা। হি নিন্নবগী পান্দম নঙবা— ঐখোয়না অবাব কয়া ভু ওনচনা নাংওাইদনা লোংনবা। মসিদম নথনা, লেনম কয়া পাক শন্না শান্দাকথবসু আনৌব লৈনম অমগী চাংদা দং মেদিবা।

লোন অমসু সাহিত্য অনগী থানবা যাদবা মবালৈনংম এখোয়সু মখোযগা নন্নবা মল। ল। লোন অমা চাউখৎলে অমসুং চাউখৎত্রে হায়বসি জাতি শগুনী সাহিত্য প বগা খঙবা ওন্মি। সাহিত্যদা মাগ শাগোন্নবিবা লোন অমসুং জাতি অদুগী সমাজগী মনি নিংথিনা তাহ। মসম গঙনা সাহিত্য চাউখৎহনবা হায়বসি লোন অমসুং জাতি অদু চাউখৎহনবগা পান্ডথরি। লোন অমসুং সাহিত্য লৈনবগী মতাংগ। বঙ্কিমচন্দ্রনা হায়বসা পাযম অমমুক নাংশিংবা যাই, মতুদি — "মমালোংনগী সাবন নত্তনা বঙ্গিগুম্বা জাতি অমা চাউখংপ ঙমদে।" মসিদসু নত্তনা বাঙা

সাহিত্যদা অহানবা 'সোনেট' ইখিবা, পুন্সি-মহৈ য়ানগ্রবা অমসুং অমব করি মাইকেল মধুসূদন দত্তগী মায়ী— ইংরেজী সাহিত্য নৈনবদগী থৈথবদুনা মমালোন অমদি বাংলা সাহিত্যবু নৈনখিবা।

ঙসি মণিপুরী সাহিত্যসু যুগ কয়া কাওহুনা অহুক্কী ঈচেল কয়া চেন্থরবসু ঈরোং কয়া কাংনা চেল্লিবা ঈচেলশুমনি। নত্তে— ঈচেল য়াওরবা চন্দ্রনদীগী ঈচেল, নত্তে আশা ইয়াও য়াওরবা নম্বুল তুরেলগী তুফব তুফাই চল্লবা মোংহাত্রবা ঈচেল। শক্লাইরবা অইবা কয়া ঐখোয়গী ইরক্ত লৈরে, মখোযগী খুৎই কযানা ধ্রুবতাবাগুম ঐখোয়বু লমজং চংতাকপীরি; ঐখোয়দা থৌনা কযা হাপ্পীরি। মখোযগী খুৎইনা ঙসিদি নৌহৌনা ঈশৈইন্দুনা ঈপাম্বাগী ঈচেলশুম লেপনা চেন্থবক্রি। শাম্বা যাবোই— চেন্থখিগনি, চেন্থখিগনি— তোর্বানগী অমোংশ নমথী-হংনাই কযাসু কাম্নরবা পুক্নিং থৌনা কয়াগা লোয়ননা।

ঐখোয়গী সাহিত্যকারশিং, থোর্জে পাযর্বাবিলশিংনা মতম'সিগ চুংবা সাহিত্যগী খুৎশেম কয়া শেম্লোগদবনি। ইশা-ইশাগী ককগা লোইবে হাযবা অখুবা-মিৎযেং অহু খাদোকুনা নিংহয়দবা খোঙজঙ কয়া চঙশিল্লবদত সমাজগী য়াইকবা হাযবহু তুংকোইনা ঙাক শেন্দুনা থম্ব। ঙমগনি হায়বগী য়াথল মিৎয়েংসু উৎকদবনি। ঐখোয মশেল পূম্বা অমত্ত ওইনা খুৎমায়না চৎমিন্নবা ঙম্নবদি খোঙহৌ হিন্ববা লৈতে অমসুং কবিগুম্বা দাবি অমত্ত ফংলোইদবগী মবমসু লৈতে হায়বা খঙহনগদবনি। তুংদা লাক্কদবা মীয়োল কযাগী লাইবক ঐখোয়গী খুত্তনি। ঐখোয়ন অমত্ত ওইবা ওমদন, অচুম্বা চৎপা ঙমদ্রবা অমসুং ফজবা মশক থঙদ্রবা অহু ওইনবদি হিংবগী অশাদা মু মাং-ঈর্চাক থেমলুবগী কান্নবা কবিনো? অদোমসু থম্বীযু— কবিনো থবদি থিবীযু, লোমনা পুন্সিবু নৈনবাযু। তন্নাইফত্রবা 'থোচাংনি খম্ব হুনা হোইন অমত্ত পুকনাল শেংনা মহামদুইন পাউম্বাযু— চীনগা খুৎকা, যিদমগা মীশকা অমসুং হাথলগা পানথগা মা বগী। ঐখোযনা তনখিবা থৌদাং 'তুংদা লাক্কদোবশিংনস্থ শোযদনা হৈনবকনি হাযবসি ওজবাযু। অচুম্ব অমসুং ফজবদা খেন্নবা লৈত্তবগুম ঐখোয় ঐখোযগী অশেংবা পুক্নিং-থৌনাসু অনব ওইনা লৈহৈগনি।

—আর. কে, আই

খৃঃ ১৯৫০ দগী মণিপুরদা থোরকখিবা ধর্ম্মগী ঈহৌ

শ্রীডাক্তর এম, কীর্ত্তি সিংহ

খৃষ্ট কুম ১৯৫০ অসি মণিপুরগী ইতিহাসতা অওনবা ৱখা চংশিনখিবা মক ওইগনবা চহিনি। রাজনীতি অমসুং লেবাক অকনবদা ভারত মণিপুর শিনশিনখিদুনা part c state লোইনবা ওইশিনখিবদগী ইরম ৱযাদা হাংগা মঙ লোং-দোকখিব চহি। মেতে লৈ লোবু লেবাক্কী মপুঙ্ঙানি, চংনবা, চপদা লাগী হকংনা অলোইবনি খড়নবঙ্বা নিংথেম মচা অমসুং বামোন্না মৈতৈ সমাজদা অবেঙ্বা মযম মণ্ডবা, চাউবঙ্বা, অমাং-অশেং কন্না ভাকুন্বা, চ শাশ আতোনবনি লোবঙ্বা অমসুং গেনরু লাইনাঙ চত্তববু পাপ লৈবনি নীংনবঙ্বা ভাব কযামক মক ফুকতোক্লবকলে। চাংদা খষ্টিযান লাইনিঙনা পাক শন্না শন্দোবকপা মঙম ওইবনা চাংমী কাচলুপ কযা নোংচুপ-লামগী মহৈ ফংনবা চহিনি। মগোৎ শোক্ল-পানবা মাদে হাযনজ কন্না শানবত্রে। চাগী খুঙ্গং ৱযা খৃষ্টিযান চত্নুনা হান্নগী পাইখোদ লাংশোনবু চাওখত্তবনি খন্নরে। হিন্দু গোবিযবু যোকখৎলম্বা মৈতৈ নিংথৌগী শক্তি লোইবা লোংতুনা গান্ধীগী ঈহৌ কংগ্রেস সরকারনা ইনখিবা অমসুং খ্বাযগী মবোক ওইববা ভারত সংবিধান শেমদুনা চংখিবদগী লাইনীংদা নমকু শাহনখিদ্রে। বামোন পুরোহিতনা কাযাৎ পীবঙ্বতু যোঙনা শাংনবকপা এলতৌ মৈতৈগী লাইনীংও শেংগৎপা যাওন কযাম্ব থোরকলে।

ভারত সংবিধানগী মতুং ইন্না চৎনীংবা চৎপা যাহনবা মযম শমখিবনা মনা ওন্না লাইনীংও অমা চৎপদা কনানসু অথিংবা পীখিদ্রে। Secularism (ধর্ম্মগী নত্তবা ভারত সরকারগী নীতি) অসি ভারতগী পুম্বগী ওইনা ভাকুবনপতু মণিপুরদসু হায্যাব্রকলে। চংনলোন অমসু ধর্ম্মগী ওইবা ভাব অতু মাঙখিবদগী ধর্ম্মনা মপু পান্দবা, নিংথৌগী ব্রহ্মসভা অমসুং পণ্ডিং লোইশঙনা পাযবঙ্বা খিবিক লো-কোর্ট নোনা লিংলকপা কযানা লৌশিনখ্রে। Merger Agreement শোনবদা ভারত সরকারনা মহারাজ বোধচন্দ্র কত্তমগী মপু ওইহন্দুনা পেনসন পীদুনা লমগনি হাযজববসু নিংথৌনা খৎথাবা কবিমত্তা হংদবনা যাওন কয়া লাকখ্রে। থিংবদবনিনা হান্না নিংথৌনা যাবমদবা কয় কোওনা চৎনবকলে। নিংথৌল ইমা হাযদুনা নিংথৌনা পূজা তৌবঙ্বা উমং লাইশং (নাগ্জি, মাজিং, পোরেন) অমসুং লৌচা কয়া পীবঙ্বা হিন্দুগী লাইশিং-হিরাংথাং, মহাবলি, কালিকা নচি বা প্রজাগী ওইবা মীতুং কযানা পাযাশল্লে। থাবল চোংবদা হলঙ্কা মতুংদা চোংহৈংদ, ঈশৈ হনবনা মাংকোন-থাগোনবা চৎই হাযবতু শোকাংথকতুনা চোংনীংদ, মতমদা Band Party না চোংনবে। ঈশৈ হনবগী ফজবা মাঙখরে। নিংথৌ লাইদা ফোঙনা হেজাং কৎপা যাদে হাযবতু মমাংঙৈগী ওইখরে। খুন লাই হবাঙবদা নিংথৌমচা চঙনা যাদে অমসুং নিংথৌমচাগী

মিংদা হাপ্পা সনা হায়বসি মী অতৈদা হাপ্পরমদবস্ন নোক্লরকলে। নিংশৌনা মাগী ফিবম কায়দনা ...র শেক্লবা লো...ও, ...ং লাইনিংগী হায়দুনা থুরুম্নরম্বা অমসুং নিংথৌ খংবা, শাংগ-লাতে অমসুং মরী-মতাপ অচৌবা কম পীনরম্বা, মীনাই থম্বগী মওং অসু খুঃ ১৯১০ দগী পুমতোই তোইগ্রে।

অসিগুম্বা অওনবা কয়া লাক্লবা মণিপুরসিদা লোকখিবা ধর্মগী ঈচৌশিং খরদি মীতৈ মরূপ, পাখংবা থৌগল মরূপ, খৃষ্টিয়ানগী বিপ্লব, ইস্কন (International society for Krishna consciousness), গান্ধী ধর্ম, গীতা মণ্ডল বৌদ্ধ ধর্ম, সর্বধর্ম মণ্ডল, অনৌবা ভারংকি য়াথঙোন শন্দোকপদু ইফালদা য়ৌরকপা পনবা য়াই। Indigonous হায়বসি লমসিগী ওইবা হায়রনা পানবদি ভারতকী মফম কয়াদগী শন্দোক-লকপা লাইনীংগী ঈচৌ অদু পল্লবস্ন য়াই খৃষ্টিয়ান ধর্ম লমসিগী নত্তে। মণিপুরগী চাংদা কয়া লাইনীংলিদা ত্রেনিং ষ্ক্লেখা অমসুং চহনাবোম কয়াদা। হায়গী মওং য়ানশিন্নবস্নু মসিদা হৌবনি হায়বদি চুমদে। ISCON গী ঈচৌ অসিসু মৈতৈ মচা খায়া ডাক্সাদরনা অচৌবা থৌশাং লৌগনা মালেমগী মফম কয়াদা শন্দোক্লবস্ন মণিপুর মশাগী ঈচৌনক্তি নত্তে। অসিংগুম্বা কংগ্রেস গান্ধী জম শন্দোক্লবা 'য়াইথৌবি' শংদোকখিবা, লাইশঙ শাগিদা অমসুং শোক্লবা যাদব। নুথংনবা পায়খিবা থবক কয়া ভারতকী মফম অতৈদা থোকখিবগা পোইনা খেন্নদে য়াহেং অসিদা মণিপুর মশাগী ওইবা ধর্মগী য়াওন ২/৩ দং নৈনজবি।

মীতৈ মরূপ — কাঙ্গাড়গী খাগিরমসগী নাউরিয়া অহন্না অপোকপা মরূপ লিংখৎপদু য়াগী তুংশিনবা ওখেন্দ্রজিৎ, বকুল, সুরচান্দ অমসুং ইবোমচা খোইনা ইফালগী মফম কয়াদা মীতৈ মরূপ কৌহনা শন্দোক্লুনা মপুং মথৈ থাবকপা মতমনি। "য়াওন" কৌবা চেফোঙ পুথোক্লুনা অহন য়াখং (যাদব না মাচ মচিদা লাউহনা পাউজেল অসি শন্দোকই। হিন্দু লাইনীঙ অমসুং বামোন সভাগী অহুম্না মীতি কল্লা মুকথায়বগী মতাংদা কাঙ্গারগী ফুলোনা ওথাবখু নৌনা ইনলবদু মনিংনখা অমসুং থবক চংনবপদা থন থর খেন্নবা উই। মাংথে য়ান খোংলা সরাংমনাং, নিঙ্গোন্থম অঙৌ ...ন নংবনা শিদব মপুগী লাইনঙ অসি ঈচৌ কনখংহনবনি। তেরা কৈশেনলোমদা খোকাচাম্বনা হৌজিক চংনবিবা ময়েক অসি চাকংগী পীবা ওইনা "অমাই লোন পুকোক লোন" পুখোরকই। মাগী অমুক্ষব কাংলিয় গোপালগোইন হৌজিক ফউবা কংলৈখোন চেফোং পুখোক্লুনা ঈচৌ অসি মপাঙ্গল হাপকৎলি। মীতৈ মশাগী চইথরম্বা মায়েং শাশেন অমসুং থিজেং চাকচা কয়া বৈজ্ঞানিক ওইনা লেনরি।

লাইহরাওবা লৈকাই, থম্বালখোং অমসুং পুথাউনচিংবা অমা লোংপোক শুমাং লীলা, লাই হরাওবগী জগোই, মুক্তোংবা, সোনাং অমসুং পুন্সিগী লাইশোন নিংশোন কয়াদা হিন্দুগী শাকু অদু লৌগৎলুনা অবিবা মীতৈগীনা শাজিনল্লি। বাহুন চৌবদা লোন্দা অবিবা শীজিন্নে। মফমসিগী নিঙ্গোন্থম অতৌরোম্বা পামহৈবা লাল পুগৎলুনা শান্তিদাসগী খুজিন্দগী মীতৈ পুয়া মৈ থাদোকখিবা ময়াং লাইনীঙ

পুশিনখিবহ মথামদা কন্না শন্দোকখি। প্রজাদা জাতিগী ওইবা ঈণ্ডী থম। পীবা ভমাথ। নিংথৌ পামহৈবগী লাঁচৎ ফত্তবহ লীলা ওইনা উৎপগীদমক রাজকুমারশিং—তোমালসনা, কোরঙাংসনা অমস্তুং সহদেব সনাখোয়ননা নিংথৌ বোধচন্দ্রনা রাকৎপদগী পণ্ডিত লোইশঙদা লাননা হনখি। লোইশঙনা লাল্লি হাযবদগী রাফনসি চিক কমিশন্নবদা তাক্লনা লীলাহ থী হনখি। মমিং শন্থোক্লগা চবাহনো বা, চাইবী হাযত্না লীলাসিগী মীওইনা অতম শান্নখি। মহাপ্রভু পিতা প্রনবা শুমাং লনা অমং গুপ্তান বুধিচন্দ্রনা শান্নহখি। অবেম্বদা শেন-থম িং হনবা পূজাগী মণ্ডপ্ত শেংদোক্লবা হে ২০ খিবান।

খৃঃ ১৯৫০ গী নিরাইদা মাতৈ মকপকা মীওইশিনা বারুনা সুমিত্রা নোংমাহাজংগী মফম থবদা লাইগী খুভম যাহ্নুনা লাই খুকম্বা লাকপা মাওই কযাবু ওহাক পনহল্লগা নমথুনা খুকমহনবা কযা তোবকলে। মমেদদি হিন্দুগী লাইফম ওই-বম্বা কযা হান্নগী মীতে লাইফম ওক্তোরবা খোঙ-জঙ কযা চঙশিন্দুনা বাংমান বাডবুগী অরাবা কযা থোকখি। বামোনশিংনা থবাই খুবাক্তা হাপ্তুনা মহাবলা লাইফম, হাঙাবোক মহাদেবগী লাইফম অমস্তং হিয়া যাংদা লেবা দেবাগী লাইফম অসি কন্নবা তোংংদি। মাতৈ লাইনাওগী ঈহোদগী বামোন্না লাংলম্বা সনামতি অচু লৌ-থোক্লগা মণিপুর লাইফলগী লাইশঙদা থমবা, তোঙানবা trust গনা শেম্বা অমস্তু এহুনা পূজা তৌবা, মফম কযাদা পাম্থোক্তবী ঈবাংপা, ইমোইহু অহোংবী ইবাৎপা অমস্তুং সনামহা লাইনীঙগী ঈশৈ শক-শোন্দুনা ঈবাং থৌনি তোবা, মৈতৈ ময়েক তমহল্লকপা, মতৈ তম্ম এশঙশিংদা সবস্থত পূজা তৌবা তোক্লখিবা, মিংদা দেব, সিংহ, শ্রীন-চিংবা লৌথোকখিবা অমস্তুং মা অমগা অকুপ্পা হংবদা মহাক্কী হিন্দু নক্তে মীতৈ হাযত্নুনা মীকোক ইবদা, ভোট থাদবদা মশক লেপ্পা তোনবকলে।

বামোন নিঙোনবু মৈতৈনা লুহোংহ্নুনা শেনবকপা Secularism গা মথং বনখংহনবা মাতৈ মরূপক। ঈহৌনা কনখৎহনলি। খন অমদা বাংগান অমস্তং হিন্দু লাইগী লাইশঙ লেএনদি হুস্থনা খন্নবগ্গ হোৎবকাংনা। নাশিং যান্দবা বামোম্না খুনগা থবক্তা মানোক হোবা ভমহন্দবা শরু ওইন থোকপ্রে।

মেতত লাইওনাউ তমস্ত পাখংবা খোংগল মরূপঃ— খৃঃ ১৯৬০ গা এমা ওইনা সমাজ স ঙ্গা-বক লাইখ্রাম খগেন্দ্রজিৎ জ্যোতিষ বম্মাকম্না মাগী বাঙব খবা শেমলগা মেতৈ ময়েক তম্বা, মৈতৈ পুযা নৈনবগা কোঙদোকপা অমস্তং মৈতৈ-লোন্দা ঈশে শকপা কন্না হৌদোকলে। খৃঃ ১৯৫০ দগী ঈহৌ অসি যান্না কনশিনলকলে। খগেন্দ্রজিৎ না বামোন হবদগা প্রানালিকা লৌকবদা খাঙহ-থক্তা শেমজিনখিবা এলহোঙে মেৎগা পাবা-পুবা থিবা ফংদবদ পাগবা লাইনাও থিজনখি। কোংবা শেদোংগদ মেত ময়েক তম্নবা স্কুল লিংখৎলগা ময়েক তমহনখি। রাজকুমার এসো-সিয়েসনগা প্রেস পাযথম্বা কোরঙা সনা অমস্তু তোমালসনাবোযনা বানোন খুপ্থোকলোন ছাপা তোএনা ফোঙাখি। কমনা পাখংবগী নতিক ময়ায লাইবক ওইনা ফোঙাখি। বা মেনন্দগা হুং কোবা শমজেৎশাবমগা মাইবা অসিস্তু মাসদা কন্না নোমলকই। হ কোবা মাইবনা শিক্তিকাউবা লাইনাও গনি কন্না হিংগৎহনখি। মহাযা।

তাকপিহনা মাগী সেবকশিংনা বামোন পুষ্টোকলোন, খমলুং পোজেনকোন অমসুং পুকলিগুবা লাইয়েংগী লাইরিক কয়া পোকহনখি। থাংমৈবম পাপ্পোইবী লাংপা অমসুং লাঙ্গোল চীংদ ভাঙডনিংথৌগী খুভম য়াম্বনা থংলিবসি অহনসিংগী থংশেয়নি। মৈতৈলোয়া য়ারী তাবা, বাসক শকপা, ঈবাং-থৌনীদা বামোন চণ্ডহুন্দবাস মসিদগা থোকখি। বামোনশিংনা সনামহি অমসুং পাখংবগী লাইনীঙ অহু হম্বহনবা হোৎনবদা কয়া মুরুখি। পাখংবা লাইনীঙসি লিংথৌগী খুভম লৌথোকখিবদা মরায় চাইথরকখি। পাখংবগী পাফনয়েকপা ফিবাল অহু লৈবাক্তা খুদম অমুক ওইদগী তাঞ্জা মাংখবে। রাজকুমারশিংনা মবুথৌ পাখংবগী কলু অসি মুৎহন্দনবা য়োক্কদনি।

মীতৈ মরূপকা মৈতৈ লাইনাও থৌগল্লুপকা খেম্নবা হায়ববু লে.ইশঙদা লৈবা ময়েক ৩? না য়ুম্ফম ওইহনা ইবা পুয়া কয়ানা শাগৎপা লমদমসিগী লাইনীঙ থিজনবা ঈহৌ অমা অকোনবগীসিনা ওইখি। মীতৈ মরূপকী ময়েক্তী থোৎহোক অমসুং শকওং অসি পুমতোপ তোপ্পা। নাইদিয়া অহয়া পুথোকপা ময়েকসিদা ইবা পুয়া মশীং য়ামদে।

থাঙ্গদা লাই নাওবা ঈগৌ :— খৃঃ ১৯৫২ দা থাঙ্গদা লাই নাওবগী বিপ্লব অমা থোকখি। হৌরকপদি মাগী মরন তোনব মুপা অমনা লনশিং শিংব ওমদহনা থাঙ্গ চাংথক্তা শঙ শাবগা লাই নীঙখিবনি। মফমহু কৃষ্ণগা লম দ্বারকা মফম্নি হায়হনা শন্দোকলে। চঙফম থোঙশিং অহুম্ব মশিং থোল্লে। য়াওরিবা সেবক মচাশিং অহু লাইগী শক্তি লৈবা মীওইনা শন্দোরকলে। হৌদাল্লবা মুপাসিনা মচা পোকলমদনা শিগ্রবদা মাগী মহুৎ শিনক্তোগদবহু মতুপা মমাউহুপাগনা ওইহৌরে। অনীসিম্ব তোঙান তাম্নরে। লাইনীঙবা কাঙবুবা নীঙদবা কাঙখ্রগী য়ুম ৩৭ মৈ থাই। মতমসি যাহুমনি (মমৈদা D.S P বিষ্ণুপুরদা থানাগী ওসি ওইনি। আসাম রাইফল পুথহনা লাইনীঙফম মকোন থুগাই। নোংমনা কদাদা লাইনীঙবা মী ৩ শি, লাইনীঙবা ৩৫ থানানা ফাখি। মশিং লৈরবা থোংজোম পর্ব শকপা থাঙ্গ মাঙ্গোলজাউ সিংহ অসি লাইনীংবা য়াংক্রবগী কাহনা জেলদা থমখি। মশামক্তা ঐ:গান্দ য়ারী শাম্নগা পাই তম্বদা লাই নীঙবা কাওবুদা কম্যুনিষ্টগী নেতা ইরাবত তোংশিল্লে, লোয় ফমংদা লৈরে হায়বা তোকচা অমা শন্দোক্নকপদগা সনকারনা চিংনহনা খুগায়বনি হায়।

লাইনাওবদা যাংনবা মীওইশিং অসি নাইর-তীনগ্রা মাঙ্কং লমসুং মাংহাই মীহেনবদা থাজবা ওইনা উই। সরকারনা থদম চনখিবদগী অসিংগুম্বা লাইনাওহনা লৈবাক শাংহনবা অমুক তৌরকখিদ্রে।

থাঙ্গনাহিগী খোংদা মৈতৈগী নেসনেলিজম অমসুং শাহিব লাইনাও হক্তিমবা নাঙলুপতি মৌচ স্টেড কমিটি, মীতৈ নেসনেল ফ্রন্ট, হৌড্রিক্তি কি প্রাক, পিঃ এলঃ এঃ নচিংবা পনবা য়াই। পুৎলায় পায়হনা হোরম্বদগী স্টেট কমিতি মথংখি। শাইনা য়াদ্রে হায়না পিঃ এলঃ এঃ অমসুং রূপাকপু লাকশিন্নবা হোৎনবি। হায়গী শবিন, হুক্তিন্নবা ময়াংদ তাথীবা, মৈতৈনা হিন্দু ওইহৃবদগী মাঙথবকপহু মথোয়না য়ানীংদে। মতম অমদা কল্লম্বা পান মণিপুর যুথ লিগ, কংলৈ লিগনচিংবা হৌজিক্তি শিথথরে। ★ ★

শীতলজিৎকী উপন্যাস থাদোকপা অমদি ইমা

(মিংয়ে অমা)

খোকচোম যোগেন্দ্র

শ্রীরাজকুমার শান্তিচিং সিংহ মণিপুরগী মহৈ-মশিং তম্বগী লমদা থোকচরবা দান তৌরকখিবা লৈবাক্তা শান্তিনরবা মাঙই ওননি। মহৈগী থাক্তা অৱাংবা শিক্ষা ফংলনা কলকাতা বিশ্ববিদ্যালয়গী ইতিহাসকী ওনস গ্রেজুয়েট অমনি। বানলালপাল হায়স্কুলগী হেড মাষ্টর ওইনা যুহন মহৈ মশিংগী লমদা মায়পুনবমগা থবকশী পোখাংখিবনি। ইং কুমজা ১৯১৩ দা হন্দালগী বেশামথোং তোপ লৈবক্তা পোকখিবনা মণিপুরগী সাহিত্যনা খ্বায়দগী লুববা তাং। অমা মাংলরিবিবা মতম অমদা পোকখিবা হায়দবা যাদ্রে। মতম অসি মণিপুরী সাহিত্যগী চাংযেং অমদি পরীক্ষা লৌরিবা মতমনি। কলকাতা বিশ্ববিদ্যালয়না মেট্রিকুলেসন অমদি মথক্কী ক্লাসশিংগী মণিপুরী পাঠ্য পুস্তকশিং যাম্না পাম্লিবা (পাল্লিবা) মতমশু থোকই। মহাকি অমম মতমতুগী লৈজরিবা মৈতৈ-লোনবু শংশেন হুংশরবা নাহ-বিক লাইস্তু হেৎবা মওঙ থাংলাক অহৌনা মপোল অসিদা পীরিবা অঙাংশ দগীনা কলেজ অমদি বিশ্ববিদ্যালয়দা তম্বা ছাত্র পুম্নমক। তম্লনা লাহ-বিক মথক পুম্নমক পুথোকপা হায়বসিনক মতম-তুদা অবাযবা থবক নৎলমদবনি। অসিগুম্বা চিরবা মতাং অসিবু মাযোক্কবা ওমহৌনা অচৌবা শীংলবা অসিবু লৌখিবা মতমতুগী ঐখোয়গা ঢোনা করবা মৈতৈগী লময়ানবা সাহিত্যগী সেববশি অতুবু অচৌবা ফিদা অম। পীবস ঐখোয়গী তৌদ্রবা যাদ্রব ইখোনি। হায়বিবা মতম অসিগী চিবলা তংখাসিগী লোইশিনবকপা শকক্তা অচৌবা শক্তক থাখিবা মুপানি—ঙসি এখোয়না নেনগদৌবিবা রাজকুমার শীতলজিৎ সিংহ।

শীতলজিৎনা পোক্রবা মতম অসিমক্তা মবম ওইহনবা মহাক্না। পৃথিবীগী থানগুলা লাঞ্জাওগা ননাডদা লমদন অসিগা মবুক হংপা চেল্লম্বা কুইববা ইতিহাস সাহিত্য, কলা কৃষ্টি পুম্নমক তাহনগ ঈবোযননা পৃথিবীগা অনাঙবা লাঞ্জাওগা মতুংদা মশক থঙদবমখৈ ওল্লকবা লমদম অসিগ মশক অনামক তাসি কুপা থেহুনা নেনহুনা লাক্লবা য়াম্না সেনসিটিভ ওইববা মীওই অমা ওইনা হোনকখি। মসিনা মবম পুহুনা মহাক মণিপুরী সাহিত্যগী চংখিবা চংলিবা অমদি ওল্লক্লিবা য়াওলশিং অসিগী মণি-অমনা পনাং পুম্নমক্তা, লা দাহ নকমদা হিংখিবা সাহিত্যদা হেন্না থনাক লপাশিনখিন অইবা অমনি।

শীতলজিৎনা ননগী অহাং বগী ঙাপাম্বশিংনা তাল্লিপবা নযা অজদগী নাখেত্তুনা থক লপাদে। হেন্নত্রবা মশামক চোংশিন্দুনা অরাংফম ফম্বা যাওখিবা ওপাদি। থবক, খোদোক থুদিংমক্তা ঈচেন চেন্দ। মসনা মহাক মণিপুরী সাহিত্যগী ডগডা লেপ্পনা লেবা তৌবা, কলম পায়বা লেপ্পনা চথবকপদগী হেক্তিক যাওবদা নহাক্কী কলম্বা লেপত্রি। লেপ্তুনা নোম্মকপদগী থোরকখি—শবা বা তহানবা শক্তক' শোকং পুন্না ৭৫ গী অপুনবা

লাইরিক্কি। অতুগী মতুংদা অতৈ শৈরেং লাইরিকশিং মথং মথং থোক্লকখি—কেতুগী, বাল্মীকী, ইখো লাংবা শকুন্তলানচিংবা। শীতলজিৎ য়ারেং, শৈরেং, য়াবী মচা, উপন্যাস সাহিত্যগী মচল পুন্নমক শোকই। অতুবু খৃষ্টকুম ১৯৪৮ তা মণিপুরী সাহিত্যদা ইহান হান্না সাহিত্য অসিদা উঙ্খিদ্রিবা য়াবী-মচাশিংগী অপূনবা লাইরিক 'লৈকোনম্লংদা' কৌবা অনৌবা সাহিত্যগী মচল অমা পুশিল্লকপা অসিদা মহাক্না খুৎইদা মীয়ামগী মিংয়েংকম থম্লখি, নৈনবগী বকম অমা ওইখি—লোয়নবা মহাকপু ভোডানবা কন্থম লাম্না পীখি।

মথংদা অমুক খুদোল তম্লকখি মহাক্না অনৌশুবা য়াবী-মচা কনাগী অপূনবা লাইরিক 'লৈমুংশি'। মসিমক্না মাহু মণিপুরী সাহিত্যগী ভগত্তা 'য়াবা-মচাগী লমযানবা-মপা।" হায়না ফাওবা শীংথানৈ। অইবা অসিগী লাইরিকশিং য়াবী-মচাশিং অসিতনা লোইদে। মথা তানা ইবংখি—কোডলোক্লকখি শীতলজিৎকী উপন্যাস কয়—থাদোকপা, ইমা, বোহানী, মুংশি বাথৈবা। ইস্লা এইবনা লেপ্লা লৈতনা, চিল্লবা হেড মাষ্টর ওইবগী, সমাজ সং স্কারগী থেংগাত কনাগী মনক্তা অকবা মতম থবদং অদু মাডকনবা, নাম্বোকতনখিব তোদনা হোৎনবদগী মণিপুরী সাহিত্যগী কমদা লেপ্লা নৈতনা ওটোবা অঙম্বা দবদান তোংনা লাক্লবা শরাইনবা এইবনি মায পাল্লবা লমদমসিগী ওচাবোল হাএশিংগী পোকপীবক্ল ওথানি। পুন্নকসি খণ্ডবিবদগী বাষ্টপতিগী মনা-মথুম ফাংবা কংগ্রবনি। তোজিক্না লমদম অসদা মগ্রম কযাদগী য়াত্তনা লাল্লবা অচোবা 'উক্ক্রংবী পুগাবকপা জমদি নৈষধ সাহিত্যগী লাইরিক দয়া পুথোকপনা অইবগী

পোত্থাবা ওইরি।

মহাক্কী যোংগ্রবা উপন্যাসশিংগী মরক্তা 'থাদোকপা' অমসুং হনা' পোইদোকপা মকম অমা মণিপুরী সাহিত্যদা লোল্লি তাখদবা যানাই। মগাক্কা সদানন্দা উপন্যাস ওৎখিবা 'থাদোকপা' অসি খৃষ্টকুম ১৯২২ গী এপ্রিল থাদা ইহান হান্না যোডখিবনি। মীয়ামগী লুপাবগী মতুংইন্না মংংগী খুৎনম মথা কযা লৌথখিবনি উপন্যাস অসিগী মপুঙ ওইবা য়ার্বান্দি যান্না চমই। সদানন্দ কৌবা লমদম অসিদা পোকপা নাগবা তৌইংখম্বসুং য়াখল লোশিংদি যান্ন থৌবা নহা পাখং অসিগী মপা লৈখিগ্রনস্ন লাযনবী মমা লুখাবীনা এম এ, ফাওবা মীবৈবাক্তা লাইরিক তম্বা থাই। ম বোক থোংনা পাশ তোরকই। অতুবু মবৈবাক যৌবক্ক-গদি থবক্কী অরাবা অমা ওংবে। চংনবিবা মতমগী ঈচেলদা তাটংদুনা য়াচৎ য়ানোন চোবগা থবক অমা পানননবগী হোৎনবা অতুম্ন পামদবা মশক ওইখি সদানন্দ। মতমতুগী মপুঙফানা ভগাবা থাক্কা মহৈ লম্বুবা পাখঙ অমদা মচানুপী থাডনাংবা অহল লম্মন পুন্নমক্কা অপাম্ব ন। অতুবু পোইদোকা অরাংবা থাক্কা ইমুং-মন্নুং মহাক্কী লৈ-জবিলা থাক্কা চানদবা পামজদবদগী সদানন্দনা মহাক্কী থাক্কা চাত্রবনি লৌজনবা মযাম ওংরপ তোবা ইমুং মন্ন গী ওইবা খুন্দ ফংসু চাওবীগী অমত্তা পোকচবা মচানুপী মুথপা লাহোননা লৌই। থা অনী লৈবগা-পুন্সিগী অগা-মুংনা, পুন্নমক থাদোক্লম্নগা সদানন্দগী মবাযবত্তা পুন্নমক শিন্নবন্নগা মমা লৈখিদে। ওক্লিবদি থবক তেংগ্রিবা সদানন্দগী ইমুংদা অন্নাবা কয়া থাংদুনা লেবা ওন্নকত্রদুনা মপুরাইবগী মযুম থাদোক্লুনা মপামদা চৎখিবা

বাবেং

অহুংগা মপা-মমাগী থৌইনাশিন্দগী অথুবা মওমগী মজুংদা মচা অনী লেবিবা হেজিক্লা পাখ্রা ওইববা চন্দ্ৰশেখৰদা যুম্বান্দুনা পুন্সিদা মে-তানা লেখিবা অসিনি। পুম্নমক অসিদা সদানন্দগী অয়াবা তত্তনা লৌহন্না ইনি। অদুগ সদানন্দনস্থ কবিংস্বা ফত্তবা ৱাখল হায়বদু অং ও .হক খন্দনা মপানদা মুপীবু থিনবাশি, এপামদা লেবা যাখি, ওগোইবদা অতোপ্পা নুপা অমদা লেখিবা যাংদা যদব অমত্তা লেখিদে। মহাক্না মাগী চুপাদা চেকম থোকপা যাম্না লো হায়না লোত। মহাক্না নুংগী নুংঙাইনবা, নুংঙাইনা পুন্সি লেলহন্নবা (•বা যাবা পুম্নমক তৌই, তেনবা হায়বা •মা যান্না শাগী যেংহনা থক থাবশাদে। কবি অমুক হায়গনি মমা-মপাগী মনাক্না লেগ্ৰব, মপামদা লৈথ্ৰবা মাগী নুংঙাইনদা হোংনবদা বান •াল্ৰব •ডা° টিউষন তোববগী ন্ণা। থে ওইবদগী য নাকপা শেনফম অদগী তংখায অনদি ৎ। ওমা যান্না লেপ্তুনা হিন্নবগনা অদুনি। নদগী হোনকিবিতনা অংোপ্পা নুপা নমদা যান্না ওংখবা মাগী নতম অমগী নুপী নইবন্দ মুগনানা •াগীদা লেবিতদা যাম্না ৱাখি—নাবু তাশনা নুঙাইহনবাস মাগী তোত্রবা য ত্ৰব ম মিৰ্গি থন্না দননাব মেম্বল ওইববা ফাওবদা, মাগা শজন্ন বা নঙাইযদবা খনদ থাযদোকহোবগা নং ম্বা কথাঙ ওনুমদি অমুক শোযবা তোদনা 'এম'নবা অদুনি। মহাক্না পুন্সিগী তাবোইবা 'মংকুপ নত্ন যে নক্ৰবা যাবেদা মহাক্না কনা অমওনু নাবব. পেন্দবা নৈথিবা উৎলমদে। আবোইবা 'ংকুপা মুখবাগী যাইফনবা খন্দুনা—থম্মোযন্তংদগী থোববপা শেংলবা পিগী ঈবা মথক্তা মুখবা হায়না কোরম্নগা পুন্সি অমখিগনি।

মায়কৈ খুদিংমক্তা মান্নদবা থাদোকপদা খুন্থন ওইবা উপন্যাস অসিগী বিষয অসিমক উপন্যাসকাব শান্তলজিৎকা অগন্নগা অমনি হায়না লৌবা যাই। মরমদি মহাক্কী উপন্যাসতা থোপ্লিবা 'থাদোকপা' হায়বা মিংথোল অসিমত্তদা ষাওবিবা মখল কযাগা মান্নদবা মথাদোক পুম্নমক মিংথোল অসিনক্কী মকমদা লোতনা লেতন্নি। অসিংস্বা মখলগী 'থাদোকপা' (ত্যাগ) হায়নসদা খুন্থন ওইতুনা শাগৎপা উপন্যাস অসিগস্বদি লম অসিংস্বদদি যায়া তাংনা থোকপনি। হুনা শ্ৰীমাকেংম লাইশিক্সিগী থাহোদোক ওবদা হাযখিনতুনি "থাদোকপা' বন্ম গীতানি। অশে বণ্ণনলাইরিক •সি উপনিষদ গীতাগী ওইবা তকমন পাউতাক গমা মাওইবদা অপান্নদা •াক্কে হায়বগী নাও যাম্না মান্নি। তোবমকস্ন শান্তলজিৎ থন্মদা চেংনা থাডবা অমা লেবা মীশকনি। আদশবাদ অসিদা পূন্নিগী থোহাদোকপা থোযদাবা লেজবা—নতম অমগী মো° হাদবা-পূক্লিং তপ্পা চেনবা মীনা মাগী যাহযনবা থম্নবা অমগা অমগা পূব চল-থোহজেল তিম্নগা মীগী অবাংদা বাবাবা অচঙ্গনা, জয ওত,-ওতদবা ডাওবদি পাপনি মাগী ফওনবা চে ববদি মশাগী ফওগনা হাম্ন নিং অহল লম্মনগী চিন্নকা পুম্বা যাদ হাযবনাচিংবা না গবা যিদমাশ দা চেংনা থাজহুনা লমচং ব্যবহাব থনশি-থাশি চুম্না চান্ন নিংগৌ পুন্সিগা যাম্না চনদা বিষয অমনি। তে জিক্কী •খোযগী পুন্সিগী. সমাজগী শওম যেকপনি হায, নবমদি—সাহিত্যদা এখোযগী পুন্সি অসিগী মনি থকতোবক্কদবনি অসিনি। অতুং হুংনবিবাদ লাইবিক অসিদা এৗখাযগী পুন্সগী নমি অসি কযা যাম্না মান্না থকতোনহন্নবপা ওন্নবগ?

অতুগা অইখগী মশাগী ক্রিয়েটিভিটি অতনা কয়া য়াম্না হ্রাংনা উৎলবগে নত্রগা থেংনবগে ? রাহংশিং অসিগী পাউথুম খন্নরকপদা তত্তাইফদনা সাহিত্যগী মশাগী হাম্নগী চংনবোল হায়বা অমা লৈরিবা অতুম্ম কান্দোকুনা পম্মগা লানগান। সাহিত্যগী মশাগী চৎনরোল্দা – নায়ক অমগী অশেংবা মশক খনবদা য়েংলবা য়াম্নবা শকক অতুদি (ক) কনাগুম্বা মীচাৎপনা শিলকম ওইবা অমরোমদা হায়বগা থাজেশেংনা ফত্তে হায়না লৌরবা মাওই অমত্তু নায়ক অমা ওইনা লৌবা য়াবোই ; খ) কনাগুম্বা মুনি-ঋষিংশ্বগী রাখল চেংবা নত্রগা মখোয়শুম্বগী চরিত্রনা মশাগা ওইবা মীওই অমনম্মু লালা/য়াবীগী অশেংবা নায়ক ওইবা য়ালোই। অনীমক অসিগী মবক্তা অমা ওইবা নায়ক্তা ঐখোয় সাধারণ মীওইবগী অম্না অনা, হয়াওবা মুংত্তাইবা থুদিংমক্তা শরুক য়াবা ওমদা মশক ওইরগনি। নত্রগা মখোয়গী রাখল পূকচেলগা সাধারণ ওইবিবা ঐখোয়গা মাম্নন্নবদগী মখোয়গী অম্না-মুংত্তাই অনীমক্তা এখোয়না শরুক য়াবা ওন্নম থোক্কে। অতনা ঐখোয়না তংশেংনা পাম্লিবা অশেংবা নায়কদি ঐখোয়না য়াবদা য়াবা ওম্বা, ঐখোয়না মুংত্তাইবদা থাগইদা হবাওবা ওম্বা মীশক খল্লবা ভাবমি। মত্রগাদি এম্না-তেনব মহাও পীরকুনা খুৎলেম অতুদা য়াম্না মণিং-মথাংবা ওইনা থোক্কমি।

পালম অসি মাওদা থম্নগা য়েংবদা উপন্যাস অসিগী মরু ওইবিবা নায়ক সদানন্দ অসি ঐখোয়গী য়াম্না হেম্ন থৈদোক্নবা হুপমা লৈক্তেলবা নায়ক— চরিত্র অমা ওইরে হায়বসি উগনি। মহাক ঐখোয়গুম্বা উদে। ঐখোয়না মাগী পুক্নিংগী অম্না-মুংত্তাই অনীমক্তা তুংইন্না চৈথনা য়াম্নবা মত্রগা নোকনিম্নবা ওমদে। মহাক্না ঐখোয়গী য়াম্না তোঙাম্না মতম পুম্নমক্তা ঐখোয়গী ইথক্তা লৈ মাগী 'থাদোকপ' পুম্নমক মশাগী কাম্নবা ওইজবা য়েংলুনা তৌবা নত্তে। মীগী মুংত্তাইনবা মায়গেইদা য়েংলুনা থাদোকখিবনি– মহাক ত্যাগী অমনি। অতুগা লাইবিকী মফম কয়াদম্ম অইবনা ইথি:- "ফিজেত্তা সংসারী ওইনবম্ম পুক্নিংদি সন্ন্যাসী ওইববনি হায়না মহাকনা (মথরা) সদানন্দমু লৌরম্মা।" (লং।৫ - ২৬)

অমুক অতোপ্পা মুপা অমদা মহাক (মুখরা) থাজনবা পৌরা লোইরে – মহাক্না (সদানন্দ) মত কবি লৈবগে চংনবদা শুমাংথিবা পাউশম:—

"ঐ কবি অমত্তা য়ারোদে। নঙগী মুংত্তাইনবা হায়তুনা থম্নিবা ঐহাক্নি। নঙনা মুংত্তানি হায়না খনবা মপাদা ঐ কবিমতা লেপতুনা থিংলোই। নঙবু এনা কবিমতা কাপরোই নঙগী লম্মন শিংবা হোংদ্রে। এনা তিংতুনা লৈরিবা মথৈ নঙগী কান্নবা তৌবদা ঐহাক কবিমতা হল্লোই। নঙন্ন ঐবুদি কাউম্লগে।"

অতোপ্পা মুপা চন্দ্রশেখরদা লেপ্লবা সদানন্দগী অংগোইবা মতম লাক্লবদা উম্নবা লাইথি। মতমথুদা মাদা চন্দ্রশেখরগী মমাংদা পাউ নমাখ "মুখরা নঙগী দোষ কবিমতা লৈতে। মশ হায়না নঙনা খল্লবম্মু দোষ অতু নঙনা লৌজব নত্তে। মতুংদমক্তা কবিমতা খনগন্ন। মতুংদু খল্লবদগী অন্তকাল অসি কাওবা ঐনা যুংশিবা ওমজবগীদমক ঐখোয় অনী চঙতুনা ঈশ্বরগী থুম্নাদা থুম্নগসি।"

অম্নম্না মানা ওাঙলক্লিবা, খুম্নক্লবা য়াক্লাং পাউথুম পুম্নমক অসি শেমগে হায়না লেম্নবা,

রাখলদা লোবম অমা থল্লগা—তোগে হায়না তৌরবা মওং অমা থ্বাওব। সাধারণ মীচমদগী অরাংবা থাক অমদা থমলি। মসিনা তাকপদি শীতলজিৎকী মিংথেংদি যাম্না বাংবা আদর্শগী ওইব। মিংয়ে নি সনাজদা মাযাম্না পাল্লবা - লম্মদা তত্তনা পল্লিবা অচুম্বা শর্মদা থাজবগী অনাবা মমল অংতমা উংননবা—প্রকাচন চাউরবা, মশাগী ওইজবা পুন্নমক বাদোলনা মাওইবগী নাম্নবদা লুপ্পা ওম্বা অবাবা আদর্শনা খুৎথিদা। তিংবা চরিত্র শাগৎপা পামজবনি শাতলজিৎ। তনাবা ফিদম অড্ডংনি মানা যেবপা পান্নবা মান ঐখোয়দা খাদাল তম্নাংলিবা। অতগা বিষয়, চাংদ অমদি মাগী থংযেন অত 'এখোয' মতমগী ম-ওইবগা বম্না যাম্না নকশিন্নবগে নএগা কযা য়াম্না মান্নবগা হাযবা বাতং অসিমদি মাগী বাখল্দা লেখিদনা মাংল্ল। খোনা ফঙল্লি সদানন্দ। দববাব মেম্বব থনবগী লানফমদ নিংথৌগা প্রনামা পীবগী মগাদা সদানন্দগী মতি উংখি।

অতমকপু আনাম্না চরিত্রশিংনা হাদোকপদি মশাগী ওইজবা নাম্নবা তিনগীদমক থাদোকপনি হাযবসু মউংলি। মুখ্যা সদানন্দ নিদোকখিবা মশাগী বাংবা তিং ওন কবি হেন্দন পোক-পগে।

রাম্নী-পবাং তসি যেবপদ শান্নবা রাহৈ-রাতা খুৎযেংদো রামদা অমুক যেংবন্ন ঐখোযনা তশেং তাশনা। উবে মহুদি অতবগী মুংদা লৈবা তমগে থল্লিব পান্দম অও লাক্লা মহুমক পীবা উম্নবা। অপম্লনা- চাম্নবা রাহে, লোন্দা-পুদা, মকোণ্ডদোক পুন্নমক শেম-শারবগী মতৌনি। সমাজদা লোম্না শান্নিরবা—চগোম চগোম্না অহোবা মাযামগী লোন থসিদগী ফিদম্নিগাই ওইবা সাহিত্যগী তোপ তোম্না পান্দম অমগী মশক লাক্লনবা—মতুংক তাননবা উপন্যাস-কাবনা মফম খুদিংমক্তা তোৎনে হাযবা লাংায খুদিংমক্তা থেংনৈ। মতম অমগী "কলাগীদমকা বলা" হাযবা তিংনিব অদোমদন। থবা হেম্না থাজবগী মওং উই।

অদুগা অমুক লাবিব রাবা-পনা লৌবগী মও নাসিদি লোথুপ-লেকোই গ্রমনা থাওদ - চুম্ন শাদিংদা পাউ তথ্বগী মংনি থবা হেম্না নতাংখ্রা ওইবা মওংদা খোট শেম্বগা হেশিবা বলা অতুংদি থাওদ্রে মপাপ বাযদনা রাবা-পবং গন দ নারে হাযনবু, খেতংগী হেবা সসপেন্স মুগী ওইবা পোরেপকম থওববগী নম্রবনাচবদি যেকপদা মবাক চুমদ্রে। অতুনা শীতলজিৎকা 'হাদোকপা' উপন্যাস অসি লম্মগী ওইবা শিন্দবিটেল অমদি মোরেল ভেল্যুশিংনচিংবা শন্দারবগী নাযকৈদগী আদর্শনা হান্না মিং-থেংলোমদগী যেলকপা ওইববদি যাম্না মায পাক্রা লাইবিরি। পুন্নমক মহাক নথংদা কংথোবগা, থাজবা থানমতুনা- ফলগী বরিবহম্বা নাখল তেদন তেংনা শুবা— তোযম ওংানই চাযতুনা তোবা খসিগা মিংযে দগাদি- অযবা লম্মগী পাটনাস শংদোকপা উপন্যাসনি।

অদুগা, ক্রিযেটিভ আর্টিকলামগা মিংহে-দগা রানা নবা- খোট শেম্বগা হেশিবা, চরিত্র শেম্বা, ডাইলোগ, ডেসক্রিপসন পীবা, নাইটিংগা মখাঙদোক, পাউ মওম—খুৎযেকশোনদা য়োংলবদি কলাগী নাংবা খেনগনি চরিং যেকপমক ঐখোযগী অশেংবা পুন্সিগী খুৎথিংদগী কা হেম্না থাপাতোকমনখিবনা নকশিন্না হেংংবদা এতম

চৎউই। নত্রগনা পুল্লিগা সাহিত্যগা তোঙান তোঙান তাহল্লি। ঋিদম্নিগাই ওইবা পাউতাক অমত্তমক অম্মনবা নাইতোম তাঙনা লৈহল্লি।

হায়রিবা মথক্তা নৈনথবা থরা এসি-দগী পুল্লিরোমদা থরা নকাশঙ্গপ তৌবা উপন্যাস অমাদ 'ইমা' নি।

উপন্যাস অসি ইং কুমজা ১৯৪৭ তা তহানবা ওইনা ঙোউই। হন্দক্কী উপন্যাস অসি-দদি উপন্যাসকার শীতলজিৎনা ইরকপা থা কপা অয়াম্বা হায়গী থৃথা—থুংয়েকতগী ফনা নংথিনা অহোংবা অমা লৈবতু মীয়ায়া থেংনরগনি। হন্দক্কী থৃদোল অসিদা ফংলিবা য়াবা-পরাংদি অতুক হায়া কমপ্লেক্স ওইরেদি হায়নীংয়ে। নোংমা মুনিদাংরাইরম অমদা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদগী মেঘচন্দ্র অমসুং রাধা মতে মনাওনা কুম্মকপদা কাওবম লৈরক্কগী পীক্লিবা অঙাং অমা থোরকপা ফেংনখি। কোইহং হংনবদা কনা থোরকত্রবহনা অঙাং অতু পুরকুনা য়োকচখি। পীভম থোকপা—তাকফম থোকপা মফম পুম্মক্তা তাল্লবা ফাওবদা কনা চোংথোরকত্রবদগী মচা পোকচদবা অনী অসিনা রনজিৎ হায়না নিংথোল্লহন য়োক্ককখি। রানাসিগী মহুংদা লৈবিবনা কৃষ্ণচন্দ্র বিচাবপতিগী ওকপিদ্রবা মনাও মপা গোরহরি হায়বসিনা থম্বালগী মফমদা নত্তবা নিংথৌয়েং য়েংবা য়াদনবা থম্বালগী মপু-রোইবা নিত্যাইবু হাংখিবনি অহুগা মচা অত্তুবুস্তু মুন্দুনা থাদোকখিবনি—মসিনা রনজিৎ ওইখিবনি। মপুরোইবা, মচা কায়নবদগী অঙাওঙম পাংথক ওইরবী থম্বালনা থৃদোংচাবা লেংহনা গোরহরিবু হাংলগা মশক লোতুনা হাংতোম্বা হায়রহনা মচা চাউবা ওইখিবনি। কৃষ্ণচন্দ্রনা পুৃমকসি থঙনা করিগুম্বা তৌবা ওবদনা লৈখিবনি। লাইরিক-লাইগুম্বা মতিক চানা তম্লবা রনজিৎনা কৃষ্ণচন্দ্রগী ফম—বিচাবপতি ওইরখি লোইননা কৃষ্ণচন্দ্রগী মচানুপী মণি লুহোংহনা লৌখি। রনজিৎকী লুহোংবা মুখম্তা মতাক রাণীগী মচা নত্তে হায়বা খঙলকখি। মখং অতুদগী মানা মমাগী থোঙগুল লৌবা হৌথ্রবনি। মমাগী অশেংবা মশক খঙ-লক্কুনা থম্বালনা হাঙতোম্বা শাহনা লৈরম্বত থেংনব-দদি—মশামক্কী রাশক ঙাক্লা বিচারপতিগী ফমদা ফম্লিবা মচানুপা রনজিৎ মশামক্কা মমামকপু মী হাংলুবগীদমক শিবগী দণ্ড পীখি। রাখলগী ন্যায়নানা য়াম্পক তাংনা লৈববা রনজিৎ অংগী অরা-পোৎলুন অতু মকুবোক কৃষ্ণচন্দ্রনা মনাও মুপাগী মরাল পুন্নমক হায়দোক্কুনা থম্বাল মরাল লৈতবী অমনি হায়না প্রমাণ তৌখি। অসুম্না মমাগী অশেংবা মশক খঙজনবদগী নীঙমদা মৈশা লাংহনা লাক্লবা রনজিৎনা পোলোইদা অশেংবা মমা থম্বাল অমদি অথোকপী মমা রাধা অনীগী অশেংবা মু শিবত ফংখিবনি। মুংঙাইবা থুংনবনা পোলোই ওইবা 'ইমা' উপন্যাস অসিদা পাত্র অমম রাধা, রনজিৎ অমদি থম্বালনা ফংলিবা মু ঙাইবা অসিদা অপাবশিংগু শকক য়াবা ঙম্না মুংঙাইজে।

হন্দক্কী শীতলজিৎকী সমাজিক উপন্যাস অসিদা উপন্যাসকারনা অপাবশিংদা পাউদম্নীংলিবা, থৃদোল তম্নাংলিবা অসিদি 'লান্দবা' অচুম্বনা মমৈথংদা জয় ওই' হায়বত্ন য়াবা-পরাংগী মতুং ইন্না লাকচরগনু, ঐথোয়না হেন্না মরু ওইবিবদি উপন্যাসকারগী উপন্যাস য়েকপগী কলা অতু করম তৌবগে হায়বা অসিনি। য়াবা-পরাংদা

য়েংবদি মথক্তা শঙ্গ্রবহন্না তাব। মুংডাইবা, পাবা হৌগ্রবা ওক্রা পাবা হৌগ্রবাদি অমুক লেপ-নংদবা মথ—মংগদি কনি হাযবা তক্রা হংনা বা পানীংবা শমা পোকহল্লিবা গসিমন্নস্তু লাইবিকসিগী ৱাৰ্দি ওৰাক চয়ে হাযদবা যাবৰোই। হেক যেন্নিবা চরিত্র পুন্নমক এখোয মানব। নত্তগা ঐখোয়গী চবক্তা হিংমিন্নবিবা, নোমিন্নবিবা পাত্র-ডাক ওইনা তোই, এখোযনা হিংনিবা পুন্সি মহৌদগী কা হেন্না লাপথোকখিবা নত্রা। মান-কাত্তবা বযা যাওদমাল্লে লোত।

অংমকপু বনজিংবা মশক অসিমদি সানন্দ'দগী ফনা যান্না লাপথোরব্রবন্নু এখোয মান-ফান্নবা খবদি উদবা নত্তে। বাধানা বর্নজিংকা নশেৰা মশক অম তান্ননবগী মাযকৈবোংদা ষংথবা চিঠি অনাগী লিশন যোনা থিখিদবত্নু কিনল্লি। ওচবা মবম অমনা পুনবা ভমদে। 'গোনগালা", 'নিমাই সন্ন্যাস' যেংবগী মতাং অমা ফেজিন্নল্লিবা অহ্নগা 'বাধা' গা 'তাওচান্ন' গা পাউথা তোন-তোনহুনা য়েংমিন্নখিবা—লেপ্পুনা তারকপা পি অনা ওহ্নগী শোঙন তোওানবা অথ পুবা মশবশি—গুংডাত। অহুন, লালাদা মুংডাহব ডাওনা হাদ—ফজবা ডাক্তনা চৎনবে। কযা যান্না চুন্না নত্রগা ওকশিন্ন অচুন্বা ওইবাগ নত্রগা ওহবা যানগে হাযবা অনিন্নু কাউংখোকপা চমদে। ওহবা ম্নাবদগী যান্না লাপথোকখিবা অহ্ননা ফান্টাসি হাযবত্নু ওইবকঃ। ৱাখলগী মঙলান্দা তাংথবত্নুনি কল্পনা, ফান্টাসি হায-বিবসি। ওগনা মযম এওম যেংবদা নমহ্নুনা ওইহনখিবা কিন্তন নএগা সিটুএসন।

'ইমা' দি পাবা যাংবা, উপন্যাসকী হেনবা সাহিত্যগী কাওলোম পুন্নমক শুববা লাইবিক অমা ওইবরনি। থৌদোক পুন্নমক, বানী পুন্নমক হেৰদগী লোইবা ফাওবা ৱবিহন্বা অমগা চিথ দনা থঙলিবা চরিত্রদি 'হাওচান্ন' (থম্বাল) নি। পুন্নমক থওনা মানা ওাইজবিবদি—পুন্সিদা থিনা তন্ন বন্নবা—তাইৱেন্নবা পুন্সি ওইবব, থাওনমনা মশকক ওতবা থম্বালগী মুশিজবা মপুৰোহবা নিতাই, মন্যং মতম চাদনা পুন্সি থমহনখ্র।

মুশিজবা পীন্নিবা মচা মবাদগী মুন-বিন্দ। থঙনা থঙনা মচান্নু মচানি হাযনা হাযজবা ঙমজাদ ওহুনা মশক লোত্তুনা হাওতোম্বা শা-তুনা লেপ্পি:—

'মচা চাউবফাওবদি তিংথিগে হাযনা লেপ্পন্সী। মচানা জ্ঞান তাবক্রবা মতমদা মশক তাননা ৱাৰী লোইহনা লাবগা শিবা ফংজবদিকা হাযনা অহিং-মুংথিল অর্নামক্রা লাইগী-থুযাদা ভক্তি কহ্নুনা মতম লেপ্পম্মা।"

অস্নুপ বানা মচা চাউবা ওাইত্তনা লেপ্পরুবা পুন্সিনা অবোইবদা বিচারপতি নহনিবা মচানা-নীলকপা মত্ত বন্নব বাযগী বাবাশ:—

"ফংব ওচদি, মুপী, এগী বায হাযবগ। নহাব মং পানা নওগী থুংশনা ওাংপগীদমক মবম পাফংগী ওহববস্নু মা তাৎপা হাযনচ থোকলে। নওগী মনিক চাবা শান্তিদি যাসৌন।

নান্ন অসি তাবদা পেঙ্গবনা অপোকপা মমাগী পাউথুম:—

"যান্না হবাওনা শান্তি ওচ যাগাছ শানা যাতবি নগ্যা। ঐনা থন্নায মঙা থাগদে 'বৰাসন কুংনকা ইতিহাসংগ। ঐনা অমতা পোকচবা ওচাগী অচুন্বা চৎপত্নু লংলবা মাযক হহ্নুনা নৌহাবপদবনি।"

অমুম্না অপাবশিংনা পুক্নিংদ লাওতক্লবা পোকই—বায় অসিগীদমক্তবা থম্বালনা য়ানা মশক ফাওবা জোত্তনা পুসি লেংথিবদে। থমক্তগা তৌরকপগা অনীগী ফিনা ওন্নবা মংগৌ অসিদা ফোঙদোক্লা পেন্দবগী শক্তম্নি।

'ইম' উপন্যাসতা লাবীবা ঐংখোয়গী হৌজিক্কী সমাজগী ওইবা য়াবা-পবাংনি। এইথোকপসু য়াম্না য়াওবি। তৌবতসু থম্বালনা হাওতোম্বী শাহনা শক লোত্তনা চৎলী অমুপ কুইনা লৈবসি বিয়েলিটিদগী খরা লাপথোকপা—বন্নাগী শাক্তনা হেন্না কন্না হুমহনা পুনা মশক অমা উই। ডেসক্রিপসন পীবা য়াবী-লীবা চরিত্র য়েকপা, ডায়লোগকী শকক পুম্নমক মরাক চন্না উবে। অদুগা হৌজিকসু খোদোক্কী মথং মনাও শাগৎপা (প্লোট শেম্বদা) য়াম্না চম্বা, থেককোয়বা অমত্তা লৈংবা অসিনা হেন্না ফজবম-গদবা অমদগীদি তাহল্লি হায়দবা ওমদে। খুদম ওইনা হাওতোম্বীদগী বনজিৎকী অশেংবা মশক তাক্লনবা চিঠি অনা অতু করিহম্বা অযোৎপা অমত্তা লৈংদ্রে। অনাশুবা চিঠিশুদা হাওতোম্বাদা ওন্নমা হঠাৎ হায়বা চিঠিগী মহৌল খুডনবগী হোৎনবকপশু যাম্না চম্বদ্রে। কৌবগী য়া থম্নদৈদা ঈশৈ শক্তনা লাকপনা হান্নি। হায়নবা লেংতনা মশক পুম্নমক তাক্লকই।

হৌজিক শাজিন্নবিবা লোন অসি যাম্না চমই, যজে। তৌবগীদি উপন্যাসশাবনা ইমুং-মরুংদা ডাওনা-শান্নবিবা লোন হায়বা অমা, সাহিত্যদা শাজিংনবা লোন হায়বা অমা—তোঙান তোঙাম্না খম্বা পাম্বা মহুমক ফংননবা পান্দমদা হবা—সাহিত্যগী লোন, ওখনবা লোনগী মফোঙদোক ওইনা তৌরি। চুমিং খুদিংগী শাজিন্নরিবা যুমগী লোনশিংগী মমি চাউনা তাবা থোংনদে। অদুমকসু শাজিন্নবিবা লোনশিং,য়াহৈশিং অসিনা ফোঙদোক্লংলিবা হাখল পরাং অতু ফোঙ-দোকপদা য়াম্না চান্নবা উই।

মতৌ অমুম্না রাজকুমার শীতলজিৎ সিংহগী কলমদগী থোরকপা উপন্যাসশিং অসিগী চরিত্রশিং অসি অহৌ উপন্যাসকার কয়াগী শেম্নবা চরিত্র-শিংদগী যাম্না শাথীনা শেম্নবা মশক অমা তম্বুনা উহল্লি। মাগী চরিত্রশি অসি অচুম্বা', 'অশেংবা' ওাক্লবা হোৎনবনা হেন্না খোযজংবা; ওইবা যাবা, ওইবা য়াদবা হায়বনচিংবদ থোইদোক্লা পুক্নিং থমদবা অইবা ওইনা তোই। লেখক অসি আদর্শবাদতা চেৎনা থাজনা লৈবা, ওবজেক্টিভ বাইতিংদা হেন্না পামজবা মীওইনি হায়বসি মাগী উপন্যাস অমদি য়ারী-মচাশিংগী লাইরিকশিং অসি পাবগা ইবায়-লায়না খঙবা ঙমই।

মাগী য়ার-মচা, উপন্যাস পুম্নমক্তা মীযাম্না ফিদম্নিডাই এইবা মাশক অমা ডাইডিয়েল ওইনা শাগৎপা পামই। কান্নবা পাউতাক—পাবা অমা মাংদা লেওদনা থম্নগা মহুবু শন্দোক্লবা, খঙহন্নবা হোৎনবনা মাগী খ্যাম্নদগী পানভবা। ওইবনা মামবা মান্দবা, চুম্বা চুমদবা থিদনা পোত্তুমক পুথোক্লবা হোৎনবনা মরম ওইবদগী কা হেন্না নেকেড ওইবা, মত্রগা বেযাব ওইবা তত্তনা থোক্লবা নত্তে। অসিগুম্বা ফিভম শাগ্রবদা মহাক থোই-দোকপা নাচংবা পোক্তে। মহাক্না খল্লি—মহাক্কী নখৌদি তোরে।

হৌজিকমক মাঙদা থাহনা নৈনরিবা উপন্যাস অনামক অসি ভারতকী চেৎনা থাজনববা য়াকম

'সত্যম শিবম সুন্দরম' হায়বা য়ুম্ফম আসিগী মথক্তা শাগৎখিবা চাবা ঙাক্তনি। ঈশ্বর চেৎনা থাজবা, থবক পূম্নমক্তা লমজিংবীবিবা মহাক্কী মফমদ আচেৎপা ভক্তিগী ফিদম লৈবা, অশেংবা ভক্ত অমগী লিচৎ চৎচবা অসি উপন্যাস অনীমকী হোগৎলকপা, চাউথৎলকপা মফম পূম্নমক্তা উবা ফংলিবা অথনি। অদুনা উপন্যাসকা থোৎদোক্ক। মংাং মতা দা চমম্নবা পোবেপক্কম খঙদবা, অচুম চুম্নদগী তশেংবা লম্বা খিনকপা মতম্দা শক্লাইত্ত্রবা খুৎ পান্নিবা ঈশ্বর ইবুংঙো নাগী মফমদা পূম্নমক কখোক্লগা থবক পূম্নমক চথখিবগী নোহৌনা নংশিংবা চংত্রে খল্লি। অসুম্না চঙক্লবক্লবা মংম তাসিদা মহাক্কা মফমদা পূম্নমক শিন্নখোকপা অসিমক অশেংবা ভক্ত অমনি কর্ম্ম যোগী অমগী অশেংবা খোঙলাংনি হায়রবসি গীতাগী "কর্ম্মযোগ"গী লানায খ্যাদ দা থেনবি। থাদোকপা' অমসুং 'ইমা' উপন্যাস অনামক্তা বিচাবপাংগী আসন্দা ফমগ্রবা 'সদানন্দ' অমদি 'বনজিৎ'—উপন্যাসকারগী পামজনা শেমগ্রবা নাযক অনী অসি নপুংদদি থোক্তদোকপা খেন্নবা উদে।

অনামক মতম মফমগী কল্লবা শাংনা হুমদোকশিনবা হোৎনকপা খুদিংমক্তা চংঙুম লেঙদনা লেপ্তুনা মাযানদা থাঙবা কনবা, অচুম্বা ঙাককপগী লংলবা মমায অদু তওনা উৎলকই। কবি অমুক হায়কনি—মশান। অচুম্বান লেপ্পবা খোংফমদগী হন্দোকপা তাববদি বিচাবপতিনা ফম ফাওবা থাদোককনি হাযনা মনিংখোগা যাওবা অযৌবা থাক্তা য়েৎনখিবা খৎনখিবদু—সদানন্দগী লনচৎং য়াওখিবনি ইমা উপন্যাসতা। অদুগা অমুক্তা 'ইমা' উপন্যাসতা মতম কযাগী মমাঙদগী মহাক্কা মীনোক, মহাক্কী মু শিবা ঈখৌ-লাংছুনা লাক্লবা— মাগীদমক্তা পূম্নমক থোক্লবা শেম-শাশিনবা মচা বনজিংনা অশেংবা মাথু পোকপীনবা মমাং হায়রনা খঙলক্লবা থম্বাল (হাওতোম্বা) বু বিচাবপতিগী আসন্দা ফমলুবনা মরম ওইহনা মীহাৎপী অমদি দণ্ডদি ফাসী তোম্বনা হাৎপনা ওইগনি হায়রনা অরোইবা লায় পীদনা খোঙফম অমা ফাওবা কৈদোক্তুনা লেপখিবা—অপাম্ননা শেমখিবা উপন্যাসকারগী গাইডোল অদু 'বনজিৎ' নি। চরিত্র অনীমক বিচাবপতিগী আসন্দা থাজংতনা শেম্বা ওইরবসু ঐখোযগী মবক্তা লেবা হেন্না অহিংবা মী মানবদি 'বনজিৎ' নি। 'সদানন্দ' দি ঐখোযদগী যাম্না থাপতোক্লা—সন্ন্যাসী নত্রগা মুনি-ঋষিগুম্না উইগনি। অদুবু সদানন্দগী মুপী 'মৃগবা' গী অরানা থাঙনা ঙমদবী, মুংঙাইবা পাম্বা মপুবোইবগী মনাক্তা লেঙদনা লৈব, অরাবনি লৌবী, মশাগী মুংঙাইনবা পেম্নবা হোৎনবদা মশাগী পূম্নক থাদোকপা ঙম্বী, মপুরোইবা লৈনা লৈনা অতোম্বা মুপাদা নিঙাইদনা লৈননবগী য়ারেপ লেপ্পা ঙম্বা মুপী অমগী শক্তম—নোম্বা কল্লবা মপুবোইবগী দমক্তা পূম্নমক কখেকপ। ঙম্বী, নোক্লা লেক্লা পুন্সি লেঙ্করনা হেন্না পামজবা—অশেংবা সংস্কৃতি মৈতৈ মুপী নত্রগা ভারতকী চন্নবা অমগী শক্তমদগী শাথনা ঙম্না তৈনবা মুপী অমগ মশক্ক নাংন অসি মতৌ করম্না আদর্শদা চেংনা থাজিনবা উপন্যাসকারগা থোম্না চঙখ্রিবনো, পোকশিবনো হায়বা অসিমদি গঙকপগা লোয়ননা মতম পম্নমক্তা হু তুনতা লৈবগদবা য়াহং অমনি। শম্লপ্পা পাউথম্ দি সদানন্দগী ঙঙকপা ফংবা থাদোকপছু মনাক চুমহন্নবনি হায়না গপাম্ননা শেম্বনি হায়গনি।

অংনা সদানন্দবু অরোইবদা মশক শেংনা খংজেল্লবদা মুখবা, চন্দ্রশেখর পুম্নমক্না ঙাকপীনবা চঙজখিবা অহুনি।

য়াফম অমনা নোংমা বিচারপতিগী খাসন্দা ফম্লম্বা কৃষ্ণচন্দ্রদি মনাও মুপা গৌরহরিনা ওক্তবা থবক মশা লাকঙমদনা তেৌবদা করি হায়খি করি তৌখি। অতুদগী হেন্দোকুনা থম্বাল নিতা-রুবগীদমক মপুরোইবা নিভ্যাইবু হাত্তোকহনখিবা, মচাবু মমাগী মথাদগী মুন্দুনা পুবক্লগা লংথোকহন-খিবা, থম্বালনা থম্মোয় চাক্ল-চাওতোম্বা ওন্দুনা পুন্সি লেল্লরুবা পুম্নমকসি খঙলবা বিচারপতি অসিনা করি তৌখিবগে, কনাবু শাস্তি পীখিবগে! হৌজিক লেঙফম লৈত্রবা মমার্কা পুন্সি মন্নুং মতম চাদনা থমখিবা তারবদগী কন্নবা উপায় ওইনা অবোইবা ওইনা পুম্নমক মিৎমাঙদা পুথোর-কুনা থম্বালবু মরাল লৈতবীনি হায়না কল্লখিবা নত্রা ?

অসুম্ন উপন্যাসকারন অরোন অথুপকী কিজং মরুমদা মরাল লৈরবা পাপ তোরবা পাত্র শিংবু মতম চান' য়াম্না ইহ-শিংনা মশক তাকপা থেংনরক্নি। করিগুম্বদা কনাগীদনা অরানব কনা-গীদনা অচুম্বা থুংখিবম্সু য়াওদবা নত্তে।

তৌবগীদি মতম অহুগী মোং-হাদব সমাজহুগী মশক মাঙনা হেগা চাম্নবা চরিত্র শা-গৎপা ওইরম্বসু ওইবা য়াই। হৌজিক্কী অনৌবা উপন্যাস অমদদি ঐখোয়গী হৌজিক্কী পুন্সি, সমাজগী শকম অবস্থা অসি হেল্লা মরীক চুম্না লৈনহুনা য়েকপীরক্নি।

হৌজিক ফাওবা শ্রীরাজকুমার শীতলজিৎ সিংহগী কলমদি লেপ্পা লৈত্রি। হৌজিক হৌজিবমক ভক্তিগী, বৈষ্ণব ধর্মগা মনা লৈনবা রাবী-লাইবিক ডোনস্ত্রেসনগা অমদি ক্রিয়েটিভ রাইটিংগী লাইবিক, আর্টিকল কয়া পুথোকল্লি। হৌজিকসু মায়াম্না থাজনরি মতুদি শ্রীশীতলজিৎ সিংহনা মতম কুইনা পুন্সিহুনা মণিপুরী সাহিত্যদা অমুক্কা হেন্না অঙম্বা দান কয়া খুদোল তৌরকপিনি হায়না। তৌরকপসু ওইসমু। ★ ★

লোন অমসুং সাহিত্যবু মুংশিবাম্না পুন্সিবু হেন্না নৈনবীয়।

—লম্বী

থাঙ্গ চাৎংগী হৌরকফম

তোংব্রম চন্দ্রকালা দেবী

থাঙ্গ চীং হায়বা অসি লোকাক পাৎকী ঈশিং ঈযায়দা লৈ। চং অসিগী মমিং অহুম শুই মতুংদি—অহানবদা "থাঙ্গৎ চাং", অনীশুবদা "লৈমবেন লোইমোম ফেৎখান চীং", অহুমশুবদা "থাঙকা চা" হায়না কৌই। চাং অসিগী হৌবকপগী য়াবা অসি কনা অমত্তনা থাঙ্গদা ল'নদে। মবমদি— থাঙ্গ চীংদোন্দা মায পাবা ওন্না যম্লগা হেন্দাক কোমদা থোঙ যাংবগা চাং অসিগী য়াবী লবা তানবাদ চীং অসি নীংরুকনি, চংলকনি, মচেৎ মচেং তানা মাগী মাগী তেংককফনদা হনখিগনি হায়না পাওনৈ।

অহানবদা থাঙ্গ চাং হায়না থোনখিবগী মওম: নোংমগী কোবৌ কুমিত্তা শুক শিদবনা থাংজিং মাবজিং অনাদা লোকাক লাইজ ঈপান থকা খুন্দা লৈংবা যাংনবা মফম শামা শেম্মু হায়না শাকপাবম্মী। ঈংবোগম্বংদগী পাংজিংনা মতুম তাবা পোং অমা থাঙ্গংলকপা উবদা মাবজিংনা চিংশৎতুনা থাম্লে, অকনা মনা য়েংলে। খুন্দা লৈংবা যাবনি হায়বা থম্মতুনা মচম তাইনখি। অহিং অসিমা খৈত্তুনা লৈসি হায়না তাকপীবে। অহিং অম অকনা হেত্না লেবে। অকগী থৈকম অতুবু "ঈখৈ চাং" কৌবে। হৌজিক্তা 'ঈথায চাং" হায়না খঙনবে। অদুনা নোংমা চংনা ঈশিং চিংনবা হায়দুনা খোলম অমা তৌবে। খোংলম অদুগী মমিং "নোমংখোং" কৌবে। হৌজিক্তা 'নোংমাইখো" হায়না কৌবে।

অকনা অমুক হন্না লোকতাক্তা হল্লকতুনা খুন্দাবা য়াববা য়েংলগে হায়না থাংজিং মাবজিং অনানা থম্মিবা পোং অদুগী মতোন্দা কাহুনা লৈনা লৈনা য়েংলকপদা লোক্তাক ঈথোং মপান্দা লাইজ ঈকুৎ মাপন্না লেপনা কামহুনা লেবা উবম্মী। অকনা থাংজিং মাবজিং অনদা কোবগা হায়বম্মী। থাংজিনা থাঙ্গংলগা মাবজিনা চিংশৎলকপা পোংনি খঙনবা "থাঙ্গ চাং" হায়না মীংথোল্লবনি। হৌজিক খুন্দা লৈংবনি নংথায অনীনা থাঙ্গৎ চাং অসিদগী হুংল। মাপল ফুক্লগা ঈকুৎ মাপল অসি মেল্লুবো হায়না থোশিত্নুনা লাই অনী অসিনা লোক্তাক ঈথোং নাপল মেনখিয়ে।

হুংবা ফুকখিবা মফম অসিনা 'হেন্দাককোম" হায়না কৌবে। মফম অসিদা শুক শিদবনা লৈমবেন শিদনাগা লোয়ননা নোংলুম শাল্লখিয়ে। থাংজি মাবজিং অনাম্ভ খুন্দাখিয়ে।

অনীশুবদা: — "লৈমবেন লোইমোম ফৌখান চাং"—মমিং থুদিংগী লৈমবেননা মথুত্তা লুথোং অমা পায়নগা লুপোং নঙ্গুদা চৈবে কিম অমা কাটি অমা, থাঙ মচা অমা লোইমোম ফো খবগা হাপ্লগা লোকত্তাক্তা অকোয়বদা কবি কবি অয ফত্ত থোকপগে হায়না লোক্তাক লেমংাক্তা লেপ্লনা য়েংলম্মী। লৈমবেননা মমায নোংপোক ওন্না থে থোকখিবদা পাঙ্গলবনা মকোক্তা যাম্না লম্বা পোং অমা থোংতুনা পুবকপা উবম্মী। লৈমবেন্না লাম্না উৎখিবা পাঙ্গলবদু— 'খু পাঙ্গলবা, পাঙ্গল' হায়না কোনম্মী। পাঙ্গলবনা চঙলতুনা কনিগী

কৌরিবনো হায়না হংলম্মী। লৈমবেননা পাঙ্গল-বনা পুরিবা অহুবু কনিনে হায়না হংলম্মী। পাঙ্গলবন খুম্নকখি নোংমাইজিংদগী শিদবা ফিদাক কোবা চাং নাপোমনি। লৈমবেননা হায়রম্মী —পাঙ্গলবা মওংগী চং সিগা এপী লুখোংদগী পোৎশিং অসিগা ওন্নবসি হায়বে। পাঙ্গলকুম্ন লৈমবেনগী থাহু য়ারগে খল্লহুনা হায়রকই ফবে অহুদি ওন্নদসি পাঙ্গলবা ঐবুম্ন মফম সিদা খুন্দা-লৈতাহল্ল হায়না হায়রম্মী।

থোইস্ম লাই অনী অসিনা য়ানহুনা পোৎকা পোৎকা ওন্নবে। অম্ম্রা পোৎকা পোৎকা ওন্নবা অসিবু 'খাংবা' হায়না খঙনবম্মা। লৈমবেননা লোইমোম ফোগা ওংখিবনি হায়না খঙনবা চাং অসিবু "লৈমবেন লোইমোম ফোখান চাং" হায়না কৌখি। লৈমবেননা গুরুদা হংগৎচববদা গুরুনা পাঙ্গলববু চাং অসিদা খুন্দাহুনা লৈহল্লে। পোৎকা পোৎকা ওন্নবদা যাওখিবা থাও মচা অমম্নং কাটি অনী অসি পাঙ্গলবনা লোত্তুনা থমগ্রে। মফম অসিদা চথোম্ন নাপল বাবা বাদে য়াঃম্নগ বাটি লৈ হায়নবিবনি। লৈমবেন লোইমোম ফোখান চাংবু থাঙ্গৎ চংদা নপশিন্দুনা থমখি।

অঙগনগুবদা: থাঙ্গ চং কবো সুবাং লায়লবন মচাংগী শমথম্নং পোকচবম্মা। মচ মুংগী অসিনা মুনিং পুদি। লাইথি অমগী সেবা তৌবম্মী। লাইথি অসিনা লোম্মা পাক্লিং তমদি অঙাং চংদা যাইথাও অমা পীবিরম্মী। থাও অসি অপা চাওবা লা চেংগী লোম লোমগী মুংডাই-ম্নাংফবা ইপু অমা ওইরম্মি।

নিংথৌনা সুবাং লায়রবগী মুমদা চত্তুনা য়েংলুবদা থাও অমা লংলম্বা অহু উংলম্মা। ফবো নিংথৌনা সুবাং লাযয়বদা থাও অহু পীযু হায়না হায়বম্মা। সুবাং লায়লবনা য়াক্রবদা নিংথৌনা অহি অমা কোম্নংদা থম্মু হায়না নমহুনা পুবীখিবম্মা। নিংথৌনা অহিংদা থাওশাবা কৌবগা য়াংথাও অহুগা চপ নাম্নবা থাও অমা শাহল-লম্মী। চাপ হেক ডাংলবগা নিংথৌনা অশাবা থাও অহু সুবাং লায়ববদা কৌবগা পীরম্মী।

সুবাং লায়রবনা থাও অহু লৌ হায়বা য়াক্রবদা নিংথোন মাবু চৈ-থাংগন ফু-চবীবম্মী। থাইথাওবা কাত্রং লংলা তারং অহু বক থেলগা পাইথোবক্তুনা কোম্নংগী সনা-যথা ত্তহু ককথৎলগা অরাং পাংনা পাইবক্তুনা চেংনাং হাওদু থুন্দোন্দা লৈব মবাম লায়রবগী শুমাংদা তাকনে। মবা মৈনা হৌনা ইইরবপা থাও অহুনা থ্ংশপহু উবদা মবাম লায়বনা ইচক-ন্না যেংলবদগী থাও অহু শুনজিন্দুনা হাৎলবম্মা। মবাম লায়-ববদি লোম লোমগী অরানা কোকচবম্মা। চাংবাং নিংথোন থাও অহু নমলগী মুমদা লৈরে হায়বা খঙলহুনা লৌবা লাক্রম্মা।

নিংথোগী মঙং অহু উবদা মবাম লায়ববনা থাও হহু পীনা দবনা কপ্পম্মী। নিংথোন ওনহুনা মনংদা লা। নিংথৌগী মখুদা নাম্নোকুনা থাও অহু পাইথোকখিহনা লোম্না তুনেনা তারে। মোইরাং তুনেন্দি অরা পাংনা চেনখৎলৌ। ঈশিং ঈচেলগা তুং ইংদুনা য়াইথাও অহু ঈশিং মম্নংদা হনি পুহনা অরাং পাংনা চেনখৎলকতুনা খোয়োল খোংগকংবগী মশোগপুংদা থগ্নে।

থাও অহু লু মহু দা চঙ্গলে। থাওনা মও মমাঙ চম্বা তারে হায়রগা লোংনা চোখৎলদুনা লু অহু ওজায় পানা খাইদোক্লে। লু অহু

শোরা লু হাযনা খঙনখ্রে। থাঙ অদু লৈমবেন লোইমোম যৌথান চীংদা কাখিবদগী "থাঙকা চী" হাযনা কৌখি। থাঙক চীংদগী থৈথবক্কুনা "থাঙ চ" হায়না খঙনগ্রিবনি। থাঙনা কাখিবা মবম অসি খৌত্থ-ন দা ঈবং ল না মমি ভাত্না লৈবি।

থাঙ চীংদা অংোপ্পা চীংশা কয়া পাইরক্লনা নপশিনখি। খৌবি নুংবু শেল্লোয মদাইনা, লংমাই লমলেন পাওগী হোরকপনা পুমলেন্দা থুংলে। অত্তদগী থাংলক্কুনা লোক্তোক্তা খাশোযকুদা থুংলবে। চীংশা নাপোম ভরানিথোই শুবা চাংনে। পাংশোক্ত-দগী হাওবং চীং পাইবকখিএ, ইকুম্বাদগী মুকাপ পাইবকখিএ।

চ। এসি মনমনা অহাং পাংনা লৈযে। মপুক্না মথা পাংনা লোয। মমেব মযানা উমদ্দুনা লৈএ। থাঙ চংনি থৌগী মখাং লোইশঙনা লেংবা অসি মহাদা মমে উমফল্লে। চংনি থৌগী লাইবোলনা মনাতোন মথুন অন নে। লাইবোন মনীংগী চীং নাপোম অসিনা মশো নে। লোইশঙ মমাংগী লোক অসিনা মুংশা শ্বব তোনফল্লে। মমাং থংবা মুকাপনা পুমননে। থাঙ চীংশাংনা খুমাঙনে। থাঙ হাওবং থোম্লায অসিনা খুত্থংনে।

চীং অসি কোয়না ভাউত্থনা চংলম্বদগী শুক শিদবনা উতং মতাঙ ওবেং পানবনা কাপনা হুই-ংানা ফাজিন্দুনা লেঙনা লৈখি। চীং অসিখু ফাবিবা অসি উতং হাযবা য়া অত্থনি। য়া অসি মতাং হুন্তনা পাংবা য়ানি। য়া অসিদি মালেম খুন্দা লৈত্তাবা যাংবা হাযত্থনা নহান নোং নোংপোক ইঙোবনা থিংবাই ঙম্বী। যাননবা— মালংগী থোং শাহুনা থম্লগা নোংমাইজিং চীংদগী হুক শিদবনা থাবা কোঙযাঙ য়া অত্থনি। ইঙোবনা য়া অত্থ য়াম্লগা মতাং ভমনা খোংবা মতমদা হুংশিরবা খোজেল অমা থোবকখি। খোংেল অত্থ তাবদা থিংবাই-ঙম্বনা ভাওত্থনা চেম্থোরক্কুনা মালংগী থোংদা লাকপা উদবদা ইঙোবনা ফাত্থনা মতালোয ওইখি। ইঙেবনা য়া মতাং ওবেং অমনা থাঙ চীংদা কাপখা হুইথাবা মতমদা শীজিন্নৈ। ★ ★

'লেম্ব্রী' গাদমক ফোঙথিজ্রিবা নৈনবা য়াবেং য়ায়া-মচা শৈরেং অমসুং অতেপ্পা লোন্দগী হন্দোক্লবা অপীকপা আর্টিকলশং থাবিরকউ। লাইরিক মশক তাক্লবগীদমক ১৯৮৯ ইংদগী হৌনা ফোঙলবা লাইরিক্কী কোপী ২/২ চেরোল অমগা লোয়ননা থাবিরকপসু য়াগনি। অসিতসু নত্তনা মথংগী ইসুদগী হৌনা অথন্নবা লৈচল অমা ওইনা পৃথিবীগী শক্লাইরবা মীওই-শিংগী পুন্সি-য়ারী অমমম হাপ্লবা হোৎনজরি—মসিগীদমকসু মরী লৈনবা আর্টিকল পামজৈ।

—ইডিটর

য়াকৎ

কোইজম চন্দ্রু বানিজ্ঞ

নোক্তুনত্তা হিংবা পাম্মী ঐ
অত্তবু, নপহনবাবে পুন্সিনদি '
আশা কয়াগী চো লম্বা ময়েলশিং
খুইথহনখি ময়েক শেংদবা থৌদোক্তন !
অচুম্ব অশে বত্তবু পামজবা থম্মোয়
খোঙ্গোইনবাবম্ম। ছুবানবা বাওবু কাওবুনা।
থাজকই ঐ কুম শংলবা লমতুইবু
খোংলকপদদী ওইবন্রে মহৌশাগী মতৌশা।
করমদি তৌনি শঙ্গ লৈজহৌদবা ঐ
লমহুই-লৌশিংদা পঙথহুনা লৈবা তাখি '
তাজহৌই য়াবাদি ইবেনবৌক্ত লবাবা
খায়নগী নিংথৌপ্পী য়াবীশিং —
অচুম্বা বিচার তৌজবা
প্রজানা যাবা নিংথৌশিং,
নিংথৌনা লন তে জবা প্রজাশি ।
তোক্তিরা এনা শাবেপ ফাববকান—
নিংথৌ নাক্তা চৎনাংলকই
চানব -ঙেবগুদা হায়নাংলুই,
পুন্সি বয়াগী নানাশিং
পেন্দবা কযাগী নাকৎশিং ,
সম্বা তোন্দবা ওহার
কাব তোংদবা ওহারা। ★

অরোইবা মিৎকুপ

এন, দ্বিজেন

বোঙ্গি। বাববা শান্তিগী ফিরাল চৈখোক
ছুমদাবখিগদৌবে ফিবালগা লোযননা
ন্যাবিযাংগী লোংলৈ নুংশিংনা
ওসিগী থরায় পানবা পৃথিবা অসিগী
নুংবংনববা মীওইবা জাতি মবকসিদগী।
পাইবরু ভুমশিগদনে শান্তিগা দিশালনা
মতমগী অহিংসাসিদা ?
অশাবা মৈথ-মনিলভনা শিল্লবা মাপনি।
মনি-ঋষি কয়াগী লেপ্পবা সকংবা তপস্যা,
হিমালয় চিংগী ঈংলবা টন্দা, কনিং কাম্নকনি
শৌদেংল্লকন্দবা কুতড্রে অযাবপা লেশানা,
গঙ্গা-ঈচেল থৈবগাদাবিবা— মাযাক শান্দবা ঈচেলনি
যানশিন কাঙলোনগী অচকপা শান্যাংগী
আযবা চাংযেংদা,।
ফিবাল চৈথাক তেকথবকলনি
ছমলবদা অকনবা নু শিংনা, যাব্রবা খোঙ্গেলগা,
তুযবব্রনি মাওইব সমাজগী য়া লনা
সভ্যতাগী লবাইদা,
লপথখ্রগনি ফিবালনা ঈগী সমুদ্রগী লমবা ঈশোন্নুংদা।
পাইবকনি লংগাগী শঙ্গ শঙ্গ দখি লেনায খৎনা,
লমহুইগী খুৎপ কয়াম্ব লাখং নাথকৈ তন্না,
লাকুববনি শাহুমং, থব্রনি ঈখে থ থে নুম থন্না।
শাব শানোপ হু শি-বানা
পাইখগনি হাঙলবা মাল দা
মহোশা লাইবেখ্বাগা খুংশম্মনা
শংবানবা অভিযাগী ওমৌশ থিবা।
লুপখিগদৌববনি পৃথিবীসে
নুমিদা থ্রাংগী ডঙানবা মচুদা
সন্ধ্যাগী পপকী নেখুনা শিবি মালংদা তিনখিবগুম
লোইনাইদ্রবা স সানসিগী গভস্নংদা। ★

গমলাদগী কেনখ্রবী লৈরাং

কলাবতী লৌরেম্বী

লৈবক্না মচু মথল কয়াগী
লৈরাং চলোং চবোংনা
ভাঙ্গোইতুনা গমলা ক্রা
শুপ্লতগী অমথক্রা শংনা
মশেক মডানগা হেনননা
শুঙ্কৎলম্বী অমেংবা খদি মক।
অমনা অনবু হেন্নদে
গমলাদা ভাংজবা লৈবাং
লৈবাংদা ভাজবা গমলা।
অহু, লোমা —
নোংদম থানা বিধাতানা
বেলহনবীখি লৈরাং অমখক,
গমলাদগী চোইনা তাতনা
খোঙ্গাওনখি উযুললক্রা
লৈবাং মাগী পুক্নিদো।
মতম অমদা —
গমলাদা লোশাং অম্মানবা
মতাংলোই লৈবাংশিং অংদি
লৈহোই থম্মো। কায়না,
শিন্থখি মিৎনু-পিবা
লৈবা মাগীদমক,
লৈবাং মাগীদমক।
হৌজিবস্থ —
শাংলি অনোব-লৈবা বয়া
অঙাঙবা, অশংবা মথল শুনা
গমলা মাগী লৈতে ওইনা;
শুঙ্কৎহল্লি থম্মোয কয়া কয়া
লৈবাং মাগী অথোই শুনা।
অহৃবু—
কেনখ্রবী লৈবাং মহাক্তি
মতাংলোই লৈবাংশিংগী নাক্তা
অমুক হন্না তিল্লববোই।
মতম্না অম্নম হৌখিত্নুনা
অকাউমগী লৈরোন চনখ্রগনি;
নীংশিংলবোই কনানস্থ —
গমলাদগী কেনখ্রবা লেবাংচু
গমলাদগী কেনখ্রবা লৈবাচু। ★

ঐদি নহাকপু থিরি

শরত শর্ম্ম

সুক্লা মমলবা
লম্বীসিদা —
ঐদি নহাকপু থিবি।
নশকস্থ উদে
খোঙ্গেলস্থ তাদে —
ঐবুদি তৎতনা ঈখৌ-লাংহল্লি।
কযাম কুইনা লোংখিনি
অমুক্তদি গমলকউবা
শকথওদবা —।
ঈপাক্সিদা
হন্না-হন্না ঈবান্নববা
ঐহাকপু —
অমক্তদি কনবাযু। ★

পুন্সি

এল. তেজবতি দেবী

পুন্সি নংসে ঐদি ওক্লবা ওমদে
কাদামদনো পুন্সি-হিনা হোনগদবা,
কদাযদনো ঐগী হিথা ফম •
কল্লবা নো নো-ঙুংশিৎ মথকসিদা
ওমদোক পাগনু- হে মতমগা নাংলে !
ঐগী পুন্সিগী হিরেলসে
লম্মুক্লংদে লমথা লবা তাংদা দা !
পুন্সিগী অহানবা শংঙোদা
নাবা কাযনবা মাংথংনবা
থম্মোয়বু মচেৎ শানা থগাযবিরে
'সিব কবম্বা নঙগী রাখলনো ?
কম্বা মিংকুপনো পুন্সি নঙবু
থংগে শাম্না তম্লুবা,
কম্সা মিংকুপ্তা থম্মোয়সে
ফং মেদনা মচেৎ মচেং কাযখিবা ?
পম্মক মংলান শৈরমলে
মিংকুপ তগী মমুংদা মডাযনবা লৈরম্মে
থাংম্বদা 'থোযদাবা কাযহৌব'
কবিগী থম্মোয়না তনিক-তকি কলিবা
মিংলু শিবা • কবিগী ঈহৌবিবা,
নঙগী পুরংনা কবিগী ঈনা হৌবিরা ?
পুন্সিগী লানযমদা মাযথোকবা
তঙ্খিন হঙ্খিন থম্মোযবু মচেৎ তাহনবিরবা
কবিগী নোংহোনা অমুক মেম্না গুলহনজনা
থম্মোযদা ঈংোৎ হাপ্পিলা,
নংম্বা মঙগী খোজালনো—
নোংহোনা অমক ঐগী থম্মোযদা
শানবা পুন্সিগী মঙাল তাহলিন ??
১ এপ্রিল, ১৯৮২

ৱাহং

জি, সত্যবতি দেবী

থম্মোয পানশিবু কনানো ?
মতংশি লৈবসিবু কদাইনো ?
তংল তলি মিংকুপ বাঙদনা
পাউথুম পীগদবনা কনা, তঙ্লিবনা কনগা !
যাত্রা তংশিবা পেশা পাযদন, লুপা লৈতনা ?
হাত্তিবা শুংশি সিন থংনগদা শিবা
ফংনাংদর্শং লিবু পান্নগদ্রা থম্মোয ?
যাওই তোওবা শকাংনবা
মাকংগী খোবা শানাপনা
মেলট পাহন কংপা
খোউ ওলন মাংনা শনহেনবা
নাওম-হন লেনম্বা
নংোযগাইনা সসাবসে ?
পম্মক অমনা ওইজদে
হিবা যানিব্রা সমাজসিদা ঐবু,
হবা য়ানিব্রা ৱাহংসিবু—
নতোন্দা—ঐনা ? ★

লম্বী

শীজাম চন্দ্র শকহেনবী

অঙকপনি মতমগী লম্বা
কনানা কনাগী মতুং ইনগনি
চংকদবা লম্বীনা কদোমদনো—কদাযদনো ;
কবম্বা পুন্সিগী লম্বীদনো চংকদবা ?
অঙকপনি মতম'সিগী গোঙথাং —
কবম্বা অঙানবা লম্বানা কদাযদা ?
পম্তুং যাওদ পংচং চংপা
তাবিলবা মতমগী অমমবা লম্বদা ;
কযাম কুহনা মাপিগনি মীযাম্না
অচৃম্বা লম ফংনবা হোৎনবদা ।
কযাম কুহনা খিখনি মংনসিদা,
চাউখৎলবা শক্তিগী চাংযে অসিদা ।
কলম্না খুদগনি অশেংবা লম্বী,
অচৃম্বা শাসনগী কিবালগী মচু
কদাযদা পাইখ্রে – কযাম লাখ্না ?
অঙকপনি মতমসিগী চম্মনবা পুন্সি
চযেৎনবনা শল্লবা ময়া লমাগী লম্বীদগী
কবম্বা মওংদা মাংহোংকুম নাওনবনা
অচুম্বা লম্বীদা লাকখিগনি কবম্না,
চাউখৎলবা বিজ্ঞানগী যুগ 'সিদা ?
কবম্না চৎসিগবা মাম্বা খোঙথাং,
কবম্না শেমশিগবা মাম্বা লমচিং --
চৎমিন্নবা অমত্তু ওইবা পম্তুংদ ;
অমুক্তংদি কোকহনসি অমমবা লম্বীসি
মাম্বা খুম্নাই শেনহুনা এখোযনা । ★

শংবানবা অতিয়াগী রাংমদা

দিলিপ মখেংবম

পৃথিবীগী দাহমেনসন অসিগা চাংদম্নবদাও
পীকখ্রে পীনখ্রে মা অমগী সাইজসি,
অম্মুক পীকখ্রবা জাবসিগী পীকত্রু পীকপা মিং অনী
মসিনরু কয়াম শাম্না তশে তশেংনা উবা ওমগনি ।
মানা উবা ওমজনিবা মিংযেংগী পথৈত্না
মপাল শাহন্দবা অপাকনি লোক্তবা হাবনি ।
যাম্না ভোহন চাযনি শংবানবা অতিয়াসিগী
অহৌবা চবাংবা লেত্তে মপাল নাইদবনি ।
যুগ কযা খুড়খিদে শংবানবা অতিযাগী ওমখৈ,
মসিগী মখাদা অশিংবা শানহৌনা, পাঙ্গল চাংযে
তোহুনা, পংহেন হেনগৎতনা উমংগী শাদগী
লৈবকথি মাংহৈবা পৃথিবীগী নিংথৌ ওইনা ।
গেলিলিওগী তুবনাম্না রাবা শাম্নহল্লনস্ত
শংবানব অতিযা রাংমগা তাইবঙ মাংহৈবগা
খুড়খিদে নম্নিনা কনি প্রজাদগী নিংথৌ ফাওবা ।
পাগ্রবা মুশিংঙা ওয়ধিসিগী বাংমদা
করম্বা শংবাননা ... লেনিবা ?
লৈ অমা লৈ । অতনু মচাদ খেন্নে ।
থাশি লখ লখাদগী হেন্না নমগ্রবা
পৃথমম মমা মচগী মপাল নাইদবা অতিযানা
অহৌবা অংলংবা নাইদনা শন্দোকলি ।
সাইনাংন্দ কহানা অচুম্বহু পুথোক্লকাদ
থাজদ্রিব মাল্লি ওসিম্ম মাচমদগীনা যন সাংবকাও ।
রোদিযেসন প্রযকা প্রেসরগী
ক্লুবিৎ খোঙগ্রাও শেৎলি

খিজিল্লিবা কাওবুশিংনা চৎপা খোঙচৎত
মপাল নাইদবা অমম্বা অতিযাসিদা ।
অকম্বা মাঙখিবগী হকথেংনবা ৱারাশিং
ঐখোযদা তমগে । থাগী লৈনাই যৌকবদনা ।
সৌবক্তগং লাংখে মামা থাগৎপা শুৎলাম্বনা ।
নিংথৌ ভুবেন গেলাগস
ঐখোয়গী মিৎয়েংদগী সেম্ব মংল্লি,
কনানা খঙনি অচুম্বনা করি থইবম্বা ।
আইনস্তাইননফা গুহাযবম্বা ওমদে মশিনা অরোইবনি ।
এবসোলুত ত্রুথকা খোঙচৎং
থিরি মাঙহবনা লেপ্পনা বিলেটিব ত্রুথ ।
মম্বসি অহাঙবনি খল্লখা
অতুবু অহাঙবনি লেংমত্রে ।
মাস-এনর্বজি নিংসং পোল্লকপদগীদি
অহাঙবগী দেফিনেসন পুখোকপা নাবে ।
স্পেসক গাইমগা পেংবনা কবি
থিবা তানি মৈব পাযত্তুনা
খিঙবা এক বিলনিংভিটিগী ।
খঙদবনা হাযবনি লাযনবর্বা ইবোঙ্গী
ম তৈ বনি লাকখিনি হাযম্বরম
কবি খুংবাকপম । টিলনা
খঙদবনা হাযবনি শ বানবা তংতযাদি অবনি, সিনি
পীকখ্রবা স্পেস অমথকনি মসাদ ।
তৌবকখল থাদ্রিবা কোসমিক বেদিযেসন অমদি
অতৈ পিদিযেসন কয়া কয়া পাবতিবল কযা
অহাঙব মিৎসিনা টক ওকনা কযা লৈরি
শংবানবা অতিযাসিদগী লাংমদা ।
উদববু ভগবাল্লনি হাযজিন্ন য়ামোই
কবিনা কারিনো ত০ি না ওবনি
অশেংবত্থু খঙলনা । তা থোকই থোকতেনা
লনাইগা য়াফনান সেমবা পুন্সিগী ।

মেত্তরনা হোবগা মেত্তযদা লোইবনি তাইবঙপাল
মংগী মপাল নাইদবসিদা পীকখ্রবা চেক্লচা
তুকাং থপ্পা কযা কুহং, কযা লাপ্পা
পাইনা চম্লি অকক্লবা মতম খাঙকাপত ।
হাযজিন্নদি যাদে খঙদব মযম দা লোইরবনি,
অহাবম খঙদি অবাঙবম্ম খঙজি
যে নবিবসিন অবোঙবনি কনম্বা হায়াজনগনি ।
তোবতবু পাকমল্লি নঙ এ
সেনবল্লি তাইবঙ পুন্সি । অতং । দি
হাযবা ওমদ শ বানবা তিম্বাসিগী বাংমদা
অমম্বা অতিযানা কদায যৌনা শান্দ কাখ্রবা
নযান কঙনা মশক হোংদনা লগদে বিব । ★

হিংমিন্নবা

আর, কে, আই

নাযমাস
হাগনাংদা হাযনা দা হাযনবনি—
নাগী নকদা খন্দনবা অমতুং থাংদনবা ।
বং, কাম্লনি মিংচৎ থীহনবনা
নোংহানা নাকৎ ব । পৃথ' তুন ।
তার্জিং হোৎনবা পামাগ—
ম' নত্তুবগী মবমদা থল্লনা
মাগা মশক মমিং পাম্নবা,
মক্তদি –
অনেবা মিংথাগ অম থংহনদনা
ঐগা অকোযবদা ফিংজনবা মাংগম্বা ।
থাকাবন, ১৯৯০

To live in hearts we leave behind,
Is not to d e Campbell

বাংলা শৈরেং

৺সুকান্ত ভট্টাচার্য্য

থারকপা চিঠী

হন্দোকপা- ইরোম কালাচান্দ

হে! নুমিদাং লৈমায়দা তারবা অঙাংদো,
মাগী মচিন্দগী ফংলিবনি পাউ অসি
মথাক ফংলকলে, থারকপা চিঠি অমা।
শরেবা মালেমগী খোঙজিন্দা মাগী অধিকার কল্লি,
মাংফগা হোনা লাউছিনা।
শোকপবা হকচাং, পান্থৈ লৈত্রবা, অহুবু খুহুম শাংহনা;
মখুৎ থাংগৎহনা ব্রাখল রানা
খুঙগুমদবা ব্রাশক ওমগী।
মাগী মরোল কনামত্থ' খাদে,
